[illegible]

# নাকেন্থানা লাকপপা

হামোম প্রমোদ

# নাকেন্থানা লাকপদা

হামোম প্রমোদ

ꯕꯥꯡꯂꯥꯗꯦꯁ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯁꯪꯁꯗ (ꯕꯥꯃꯁꯥꯁ)
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বামসাস)
৩৪/বি, লালাদিঘির পূর্বপাড়, সিলেট

নাকেন্থানা লাকপদা ॥ হামোম প্রমোদ
অহানবা ফোঙবা : এপ্রিল ২০২৩

অফোংবা
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বামসাস)
৩৪/বি, লালাদিঘির পূর্বপাড়, সিলেট

নক্ষম
ছাপাকানন, সিলেট
দূরভাষ +৮৮০১৯৭১৩৩৬৪০৭

লাইরিক ফংফম
তিউড়ি প্রকাশন, ঢাকা
বইপত্র, বাতিঘর, সিলেট; পাঠক সমাবেশ, ঢাকা
অনলাইন পরিবেশন : রকমারি ডট কম

মখুম
এন. যোগেশ্বর অপু

৳ ২০০/-

Nakenthana Lakpada by Hamom Promud
Published by Bangladesh Monipuri Shahitta Songsad (BAMSAS), 34/B, Laladihir Purbopar, Sylhet, Bangladesh. Price ৳200.00, First Edition April-2023

ISBN: 978-984-424-099-5

কৎচবা

বাংলাদেশতা ইমালোন
য়োকখৎনবা অমসুং চাওখৎনবা হোৎনবিরিবা
পুন্নমক্কি মফমদা

CamScanner

## য়াওফম তাকপা


নমথাক ১১
লাইফদিবী পোৎলোইবা ১২
কাঙখল মনুংগী কাঙ অমা ১৩
ঈ তোৎলবা পাঙনদেম ১৪
লাইথরোই ১৫
য়েরুম ১৬
চে' ১৭
পাসপোর্ট ১৮
খুদৈ মতেক ১৯
নোংমাইথেম লৈকায়গী লৈহাউ ... ২০
নরসিংটিলাগী থম্বালিকা, ... ২১
পাবর্তী নত্তে রোবোতি, নঙবুনি ঐনা ২৩
ফ্রোজেন থম্মোয় ২৪
বুতাম ২৫
কনানো ঐসিবু ২৬
বোরাক তোর্ব্বান্‌গী শৈরেং ২৭
ভার্চুয়াল রিয়েলিটি ২৮
ৱান সিক্সটি ফাইভ বস্‌ ৩০
ইম্ফাল, ঐসু লাক্কনি নোংমদি ৩২
মিডলাইফ ক্রাইসিসকী চরুফুদিৎতা ৩৩
কবিতা হনুবী ৩৪
লিরিক অনি ৩৫
নিংথমথাগী লিরি হুমবা নুংশিৎ ৩৬
লমজেল তানবা ৩৭
ইকেবানা অমসুং বনসাই ৩৮

৩৯ শামু ময়াগী কাং
৪০ খুবাক খুশি খুবাক
৪২ নুংশিবা খূজোক খূজোক
৪৩ ইম্ফাল ডায়েরী : ১৩ আগষ্ট ২০১৭
৪৫ অন্দ্রোগী মৈ
৪৬ ইতা সখি
৪৭ নোংমৈ মরু
৪৮ মণিপুর, ঐগীসু পেন্দবা খরা লৈ
৫০ কোকিল অমসুং লমখুনু
৫১ ল্যাম্পপোষ্ট
৫২ লানমৈ থাউমৈ
৫৩ ঐসু ওইজনিংখি নঙগী শৈরেংগী...
৫৪ থম্মোয়নুংদা লোৎতুনা ...
৫৬ য়াহৌ ঈশৈ
৫৭ নাকেন্থানা লাকপদা
৫৯ কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী-০১
৬১ কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী-০২
৬৫ কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী-০৩
৬৭ কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী-০৪
৭১ কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী-০৫


CamScanner

## হামোম প্রমোদকী শৈরেং– ৱাহৈ খরদং

হামোম প্রমোদ কবিনি, অইবনি, সম্পাদকনি, ওর্গেনাইজারনি। বাংলাদেশকী মৌলভীবাজার জেলাগী মনুঙ চনবা কমলগঞ্জ উপজেলাগী ভানুগাছ হায়বা লমদমগী হামোমখুল (ময়াংশিংনা ছনগাঁও কৌবা)দা পোকপনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী শৈরেং-ৱারেং ইবদা থৱায় য়াওজবা মীওইনি। ১৯৯৫ খ্রিষ্টাব্দদা ঈনাৎ পাবলিকেশন্সতগী 'ৱাখলগী নাচোম' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা ফোংঙি। মদুগী মতুংদা ১৯৯৭দা বাংলাদা 'মণিপুরী গ্রন্থমালা-১' কৌবা বাংলাগী খোমজিনবা লাইরিক অমা ফোংঙি। ওর্গেনাইজার অমা ওইনসু থবক কয়া তৌরম্মি, 'কথা' কৌবা ম্যাগাজিন অমসু মশানা এডিটর ওইনা ফোংঙম্মি। পুন্সিগী খোঙচত্তা নোংমা কানাডা পাংখি অমসুং মফম অদুদা মখা লৈথখি। কানাডাদা লৈখ্রগসু মণিপুরী লোন-সাহিত্যগী মতাঙদা থবক তৌবা লেপখিদে। শৈরেং-ৱারেং তত্তনা ইখি। বাংলাদেশ অমসুং মণিপুরগী ম্যাগাজিননচিংবদা ফোঙখি। চেফোঙ কয়াদং পুথোকখি; 'কথা' ম্যাগাজিন ফোঙবা লেপখিদে। ২০১২ খ্রিষ্টাব্দদা মহাক্না এডিটর ওইদুনা মণিপুরগী অশাংবা কমিউনিকেশনদগী 'বাংলাদেশকী অখন্নবা মণিপুরী শৈরেং' কৌবা চংখোল্লবা খোমজিনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা ফোঙখি। মথংদা ওনলাইন নিউজপেপার ওইনা 'মণিপুরী মিরর' ফোঙবা হৌখি। মণিপুরী মিররগী ফিরান মখাদা মণিপুরী লোন-সাহিত্য চাওখৎনবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদং পায়খৎলকখি। মদুগী মনুঙদা থোয়দোক্লা শিংথাবা য়াবদি কোভিদকী মতমদা অথাপ্পা অমসুং অনকপদা লৈববু লোইনা পূন্না খোমজিনদুনা 'ওনলাইন টোক শো' অমা য়াম্না চাং নাইনা পাঙথোকপা অসিনি। হৌজিকসু মদুগী থৌরম অদু চথরি।

হন্দক ফোঙলিবা হামোম প্রমোদকী শৈরেংগী লাইরিক 'নাকেন্থানা লাকপদা' অসিনা মহাক্কী অনীশুবা শৈরেংগী লাইরিকনি। মীওইবা অমগী খ্বাইদগী নুংশিজবা অসে মাগী অপোকপী পলেম, ইমানি; মদুগা লোয়ননা পলেম ইমাগী লোন ইমালোন অমসুং ইমাবু কোনবিরিবা লম পোক্লফম লমদম মাগী মমালৈবাকসু থোয়দোক হেন্দোক্লা নুংশিজে। মমা, মমালোন অমসুং মমালৈবাকপু নুংশিবসে হায়রিবশিংসিদগী লাপথোক্লগতা হেল্লি। অদুনা হামোম প্রমোদনা অপোকপী পলেম, মমালমদম অমসুং মমালোনগী নুংশি ঈফূৎতগী লাপ্পা কানাডা কৌবা মীরমলেনসিদা লৈরবাকানদা থোইনা হেন্না নুংশিরকখি অপোকপী মমা, মমালোন অমসুং মমালমদমবু। মাগী হন্দক্কী 'নাকেন্থানা লাকপদা' হায়বা শৈরেং লাইরিকসিদা য়াওরিবা শৈরেংশিংসিদা মদুগী মমি ময়েক লানা তায়। অঙাং ওইরিঙৈগী নুংশিরবা স্মৃতি কয়ানা ইথিন ওইদুনা মাবু তত্তনা কোইপু পুদুনা চৎলি

অঙাং পুন্সিগী স্মৃতিগী অরংবা মরীকতনা কোইচাই চাইদুনা লৈরিবা হৌখ্রবা মতম অমসুং মফমশিংদুদা। খুদম ওইনা পনবা য়াই 'নোংমাইথেম লৈকাইগী লৈহাউ শাৎলরোইদো হয়েংদগী', 'লাইফদিবী পোৎলোইবা', 'ঈ তোৎলবা পাঙনদেম', 'লাইথরোই', 'নরসিংটিলাগী থম্বালিকা, নিংশিংলিবরা ঐবু'।

'কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী' হায়বা সিরিজসিদা ৱারেংগী মওংদা ইরিবা কোভিদকী লায়না ৱানা খাঙলিঙৈদা মঙগা তাইবংগা য়েৎনরবা মতমগী নস্টালজিয়ানা খম থেংনা শোক্লবা ৱাহৈ পরেংসি য়াম্না নুংশিরবা শৈরেংগী শক্তমনি হায়বা তায়। শৈরেংগী মতীক-মগুণ লোইনা নিংথিজনা য়াওরি ৱারেংগী মওংদা ইবা ৱারী পরেংসিদা। 'অশংবা, অঙাংবা, হিগোক, শালুঙাং'– মচু ময়াম্না কঙাওনহল্লকপা মতম, পুন্সিগী, নুংশিবগী মচু-মনম কন্না থিরকপা, চাউখৎলবা মীরমদমগী পার্কতা, গার্ডেনদা,উমংদা মখল-মচুগী লৈ পাম্বী ক্যামেলিয়া, হাইড্রেঞ্জা, রোদাদ্রেনদ্রান, লেভেণ্ডারগী মরক্তা কন্না থিরকখিবা শিঙ্গারৈ অমতং, লৈহাউ পাম্বী অমতং, চিকোংলৈ চরোং'মতং; য়াম্না নুংশিহল্লি–অপাবা খুদিংমকপুসু নস্টালজিক ওইহল্লি। হামোম প্রমোদকী শৈরেং লাইরিক 'নাকেন্থানা লাকপদা' য়াম্না নুংশিহনবা ঙম্বা অৱাংবা থাক্কী শৈরেংগী লাইরিকনি। লাইরিক অসি ফোঙবগী মহৈ য়ানবা ওইসনু, অপাবা মীয়াম্না নুংশিনা-পান্না পাবা লাইরিক ওইসনু।

**এ কে শেরাম**
কবি, অইবা; প্রেসিডেন্ট, বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ, সিলেট।



CamScanner

## নমথাক

নঙবু কিখিগনি, মীবু কিরুগনী খন্দুনা
তমলুদে ঐদি নঙোন্দা মীহিংচাবগী ৱারী
নঙগী ফজরবা মাইথোংদো মকখিগনী খন্বদা
হংলুদে কৈদৌনুংদসু নঙগী নুঙাইতবগী ৱারী।
ঐসু লিখিদে ঐগী নুঙাইতবগী ৱারী।
নঙগী ফজরবা মিৎস্নাদো পিরাং চেন্থরক্কনী হায়না
তমলুদে ঐদি নঙোন্দা
নিংথৌ মচাদো বনবাসতা চৎখরে;
নিংথিবা তোমাল পাম্বীদো বজ্রনা চাকথেকখরে।
তমলুদে ঐদি নঙোন্দা, তমলুদে নঙোন্দা কিখিগনী হায়না
পৃথিবীসে শরুক অহুম ঈশিংনী
শরুক অমতনি কংফানদি।
নঙগী চম্লবা থম্মোয়দো লাংতাক্লখিনী খন্বদা
তমলুদে ঐদি– নমথাক হৈবা, মীহাৎপগী ৱারী
লিরুদে ঐদি– মপানা মচা হাৎপা
মচানা মমা হাৎলি।
অদুগী মহুৎতা য়েংহনখি
ফজরবা ঙাঙলবা গোলাপ
অদুগা হায়খি– অসিনি পৃথিবী ফজরবা মালেম।
ওজোন হ্রাস, গ্রীন হাউস এফেক্ট
তমখিদে নঙোন্দা কয়া য়ামনা তমখিবনো।
অদুগী মহুৎতা মথক্তা য়েংখৎলগা হায়খি–
য়েংলুনে পূর্ণিমাগী থাজসে কয়া ফজখ্রবা।
তমলুদে ঐদি নঙোন্দা
মালেম অসে শরুক অহুম ঈশিংনী
শরুক অমতনি কংফানদি।
পূম্নমক ঐনা নমথাক তৌবনি
হে চম্লবি ইবেম্মা!

## লাইফদিবী পোৎলোইবা

ফিজেৎ চেজেৎনা কোইশিল্লবা মখোঙ মখূৎ
য়াওদ্রবা, অৱা অনা খঙদ্রবা কপ্পা নোকপা
হৈজদ্রবা ঐখোয় ইবেমগী লাইফদিবী, ঙসিদি
হিদেমপানগী ৱাখোঙ মরক্তা মৈথাদৌরি
পুংয়েবা, ঈশৈ শক্‌পা, মোইবুংখোংবা মথং মথং
কারক্লে, নুমিৎ থোক্লকপগা খোঙশান্নবা
শেম শাখরে মহৈ মহৈ, চৎনবি মতুং ইন্না
থৌরম পূন্নমক পাঙথোকলে। অঙকপদি, কনামত্তা
কপ্নদে লাওনদে নুঙাইতবগী তেংথাখোল তাখিদে
মদোম তুমিন তুমিন লৈনৈ ৱা অমত্তা ঙাংনদে।
অঙকপা খোঞ্জেল অমনা ঐগী নাকোংদা তেংথাখি,
মখূৎ মখোঙ য়াওদবা লাইফদিবীদো
ইনাক্ত লাক্ল লেপলৈ, নাকোং ময়াদা মুরুম মুরুম শোল্লি-
খরা তাগুম তাদগুম করিনো মা'ন হায়খিবদো
নিংশিংবা থোকত্রে ঐদি থোইদোক্লসু খল্লুদে, থৱায়
য়াওদবা মহাক্কীদমক থম্মোয় পান্দবা মহাক্কীদমক
হিদেমপানগী মোংশোং মরক্তুদা পোৎলোইখি, লাইফদিবীদো
ঙাল্লম্বা মৈরী, পুং মাংগ্রংগী খোঞ্জেল নমথিরবা মনম
মরক্তুদা অতোপ্পা মখোল অমা থবেৎ থবেৎ নুংশাশ্বোর
চিংনবা পোক্তবদি নত্তে অদুবু হঙ্গোয়বা খরা
থৌশাদবা খজিক, অকিবা খরসু য়াওশন তাশিন্নখিদে
করিসু তৌদে মওংদা ঈশৈ ঙংল-ঙংলদুনা হল্লকখি।
নুঙাইতবা হায়ববু, ঙসিসু হিদেমপানগী মোংশোং'দুদা চৎপগা
অতোপ্পা মখোল অমা
নাকোং ময়াদা মুরুম মুরুম
থবেৎ থবেৎ নুংশাশ্বোর
অঙকপদি মরোল অমত্তা লৌবা ঙমদ্রি ঙসিসু।
ও ফিজেৎনা শাবা লাইফদিবী, করিগীনো
ঐবুতা তাহল্লিবা নঙগী চিরোল অদো
মীয়াম্বুসু তাহল্লুবা নঙগী নুংশি খোঞ্জেলদো।

## কাঙখল মনুংগী কাঙ অমা

কাঙ অমা–
কোইপাই পাইদুনা লৈ কাঙখল মনুঙদা
ঙহাক্তং লেপ্তে, তোংদে মফম অমত্তদা
মরমদি–
        লেপ্লগা, তোংবগা মথৱাই থাগদৌবা,
চিঙ্গাক ফংদ্রবা ময়াং কংলবা
য়ান্না শিংবা, পিক্তক তৌবা কাঙনি।
ঐদি ঙাইরি, মফম অমদদি সোয়দনা তোংগনি
        পোথাগনি ঙহাক্ত ওইরবসু।
অদুবু কাঙদুদি তোংদে, পোথাদে
নাকোং ময়াদা অদুম ঙংদুনা লৈরি
কাঙখল মনুংগী কাঙ–
অমুক্তং ওইরবসু লেপকনিদা,
খোঙফম অদু–
        ঐদি ঙাইরি
        ঐদি ঙাইরি
        ঐদি ঙাইরি।



CamScanner

## ঈ তোৎলবা পাঙনদেম

অহিং কয়া
নুংথিল কয়া
য়োংখমগি নাকন্দা লেপ্তুনা লৈখি
নাকল অমদগী নাকল অমদা
পাঙনদেম অদুনা হাই-হুমদুনা চৎলিবদো য়েংদুনা ।
লংলা অমমম তৌদুনা ফেনজিনলগা ওইরকখি
মোইরাংকাবি, কবোক চাইবি, শাংলবা ফিদুপ,
ফিকোনচৈনা নোংমগী চাউথোরকলি,
থম্মোয়না নোংমগী শোন্থরক্লি ।

শুমাং মচিদা চাকতারম্বা শেন্দ্রাং,
পাইশিনখি য়েন্নখাদা খঙহৌদনা
পুখ্রী'পানদা হৌবা থৈবোং পাম্বীদগী
ঙনা অমা কেল্লকখি তপি তপি
তুলসিবোং নাকন্দা শাৎপা আতর গোলাপ,
শাৎকাইরকখি মনিং তম্না
ওঃ খোংনা কপ্লকখি ফিশাবী নিঙোল অদো,
থেম্বীনবা লৈত্রবা অঙাং'গুম ।

লুম্বুশাব ঈ, চেন্থরকখি উচুমতাবি তম্না,
চোইজাইনরবা শমলাং মরক্তগী
লংচাক্ত লংলা অমত্তা য়াওদ্রবা পাঙনদেম

থরোমারো ওনথোইদুনা লৈরি ।

## লাইথরোই

নোংমা,
হিদেনপানগী লৈঙোই মরক্তা
নুমিৎ তারমদাইগী শিথরবা নুংশা মরক্কুদা
তপি তপি কাখৎলকই কংফানরোমদা ওনথোইদুনা
লাইথরোই অমা।
মহাক্ল য়েক্লম্বা ফজরবা আল্পনা
হিদেনগী ইং-তপ্পবা ইশিংদুনা
ঙহাকলৈতনা চামথোকপিখি,
লৈঙোইদা তারম্লিবা ময়িশিংদো মুৎথখি

–তপ্পা তপ্পা

আ! লাইথরোই!
থোৎলবা থম্মোয় কুপশিঞ্জে লৈঙোইরক্তা
মদোমতা তকশি শোঞ্জে, নুংশাশ্বোর অমা
করিদবু কান্নরিবা নঙগী লৈই, পুন্সীগী খোংগুন।

## য়েরুম

ঙরাংদো, ঙরাংগী অহিংদো
তুম্বা য়াদ্রবা অহিং
অমুক হৌগৎ, অমুক হিপথ

ঙৌশোক ঙৌরবা য়েরুম
নিম্বু নিম্বু ঙাল্লবা অহিং
নুপী অঙাংগী ঈ-য়ুং তৈরবা মাইথফিদক
শক্রাক শেৎনা তারিবা টেবলঘড়ি, টিক টিক...
টিক টিক...

মুরুম মুরুম তুমিন তুমিন ঙাঙনরম্বা য়েরুমশিংদো
মখোন থোক্লকই, খোংগ্রাই শেৎলম্বদগী লেপখৎনরকই
অমনা অমবু ঈনথরকই, অচৌবদুনা মচাদুবু কাওথরকই, উশিৎতেদা–
ইকাই-নুংশি য়ান্নদুনা য়েন্বিদুনা চিংনা য়েংঙি
তপ্পা তপ্পা কোনশিঞ্জে মচা ময়াম, ফোং ফোং শারবা শিয়োমনুংদা।



CamScanner

## চে’

ঙহাক্তংগা মুন্না য়েংগে, মিকূপ’মতংগা
তুম্রক তূম্লবা কোইরাওনরবা কমলালেবু
কাকফৈদৌনা,
মেক্সিকো,
আর্জেন্টিনা,
বলিভিয়া
ইকুয়েডর, পেরু
নিকারাগুয়া, পানামা
কোস্টারিকা, হুন্দুরাস
এল সালভাদর’গী শুক্লবা জঙ্গল হিজং মচু
ঙাংশং ঙাংলবা ঈ, ফজরবা টি শার্ট
মালেম কৈথেল শীত্ব থুংখরে
আহ! ফজৈদা চে’, আর্নেষ্টো
গুয়েভারা, নঙগী মঙ, মীয়ামগী থম্মোয়।

## পাসপোর্ট

য়েংঙুনে, ইমা!
মখোয়গী অঙৌবা ওফিসারসে
ঐগী পাংখোক্লা মচুগী পাসপোর্টসে
য়েংলগা, থাজদবা মীৎয়েংদা ঐবু অমুক য়েংঙক্লে
চেনা অনি হাংদুনা ঐগী মিং ইরিবদো মুন্না য়েংলে
চিংনবা অমা মথম্মোয়দা ফাউরকখিবা মাল্লিনে
মখল মথেলগী মেশিন পুথোক্তুনা য়েংলে ঐগী ফোটোসে
নোকফেৎ তৌদুনা করেম্নবা মওংদা ঐবু অমুক্কমুক য়েংঙক্লে
ঐগী নেমলবা নাতোন
            খূরবা মীৎ
                        অপং শক্তা, থাজখিদে
সোয়দোকখিবা মওংদা হাইরকখি– হাও কাম? ঐ নুঙাইখিদে
থম্মোয়নুংদা ইদোমতা শোনজখি, কনা তাহনখিদে–
অশংবগী মহুত্তা–
            হীগোক-অমুবা-অঙাংবা-অঙৌবা
করম্বা মচুগী পাসপোর্টনো ঐবু থাজগদবসে
করম্বা মচুগী পাসপোর্টনা ঐবু শক্তাক্কদবসে
পেনদে ইমা, ঐ য়াম্না পেনখিদে
অদুবু, তশেংনদি শাউনিংখিদে
ইমা
কনাদসু

## খুদৈ মতেক

য়েংঙু দো -
থ্রাক থ্রাক য়ান্দুনা লৈরিবা খুদৈসে

ঐনা খুদোম্বী থিন্দুনা তাকই- ইচানিপাদা

শালুঙাং মচুগি মযুংদা হিজং মচুগী মফেন
হিজং মচুগি মযুংদা শালুঙাং মচুগী মফেন

ওইরম্বসু য়াবনি, কাংলুপ অমগী ফিরাল ।

কনানবু শারকপনো ঐনা হংলুদে কৈদৌনুংদসু
ইমানা পিরকপনিকো হায়দুনা থমজিল্লি, থুপচিন্দুনা -
টাওয়েল
টিস্যু
ন্যাপকিন
ড্রায়ার
নোংম-নোংমগী খুদৈ মতেক্তো থাপথোকখি।

থবক অমত্তদা চনদনা তাদুনা লৈ, খুয়া খা'দা
নোংমা কনা খঙহন্দনা ডেকো-পিছ ওনথোকখি
ড্রয়িংরুমগী কাচিন'মদা য়ান্দুনা থম্মী। থ্রাক থ্রাক

ইচানিপাদো হাইফেৎ মীৎচি'না য়েংলম্লগা
নোকফেৎ তৌদুনা তপ্না তপ্না ইমুংদা চংশিনখি।

## নোংমাইথেম লৈকায়গী লৈহাউ শাৎলরোইদো হয়েংদগী

*(কিয়োটোদা অঙৌবশিংনা য়াইফরে য়াইফরে লাওজরবসু, আর্কটিক্কি পোলার বিয়ারশিংনা খুবাক খুজরবসু, কোপেনহেগেনগী মায়চৌশিংনা নোকফেৎ তৌদুনা মিৎচিনা য়েংলক্লবসু, আফ্রিকাগী লৈক্রক মরক্তা- কেনিয়াগী মাসাই মৌনহাশিংদুনা হরাওবা ফোঙদোরক্তে কৈদৌঙৈদসু, ঐসু হরাওবা ফোঙদোক্লীংদে, অদুবু হরাওজৈ ॥)*

খামেনশীনবিনা পোকখাইরক্লবদা, বাধাকোপীনা শাৎকাইরক্লবসু, মোনশাউবিনদি কৈদৌনুংদসু শাউরকখিদে। ঐতনা নুঙাইজখিদবনি, খুইজিল্লবা পাম্বিশিংদো উবদা।
হিদেনপানগী ৱারক্তগী উচিন নাচিন লিৎথোক্তুনা, ঙারিনদুনা থরো থরো ওনখিবদো মনিং লৈকাইগী পুখ্রিচৌদুদা, ঙা লুমলিবা ঙলাকপিনা উহৌদ্রবসু, ঐনদি করম্না কাউথোক্লুনি, পাবুংনা পুনদা য়োক্লিবা ঙামুশিংদো।

লৈহাউগী লৈনমদা ঙাওজরিবা চেক্লাদুনা চীংয়া তময়া কোইথুং থুংনা পাইরম্লবসু, নোংমতসু তোংলদে নোংমাইথেম লৈকাইগী লৈহাউ পাম্বিদুদা। লৈহাউ লৈনম চেনদ্রবা লৈহাউ পাম্বিনি, চীংথামগী লৈশাবীশিংনা ফাগী তৌবিখি। কোম্মৌজমগী অহলদুনদি হায়খি, লৈহাও ৱাৎপনা ওইরমগনিদা। থোঙামগী মচিন য়াওবা অঙাং অমনা শৎ হেক হায়দোকখি, লৈহাউ পাম্বি অমত্তা থম্লরোই, ককথৎখ্রনি হয়েংমক, হৈনৌ-থৈবোংগী চারা অমা অনী থাজনগে। আহ! লৈহাউ! লৈহাও ৱাৎপনসু ওইরম্বা য়াই, চহী খুদিংগী-কুম খুদিংগী লৈহাউ চরোং চরোং শাৎলম্বদো, শাৎখিদরে অমত্তা কুমসিদি। ঐনা শাউনিংখিবদি চেক্লাদুদনি, ও চেক্লা, ও! নোংমতসু তোংলরাউদনা, কৈদৌগে, লৈহাউগী লৈকাশিদা, নঙগী খোঞ্জেল তাবদা, নঙগী শক্তম ফংবদা সোয়দনা শাৎলক্কনি, হয়েংদগী-লৈহাউগী লৈকাদা লৈহাউ-লৈ। চেক্লাদো, মমাং লৈকাইগী চেক্লাদো, মমিৎ উইরুম উইরুম অমুক্তি য়েংলম্মী, অদুবু নোংপোক পাংনা পাইখি।
নোংমাইথেম লৈকায়গী লৈহাউলৈমেনা হীক্লা হীক্লা কপখি, কনা উদ্রিঙৈদা, লৈহাউ পাম্বিদো কোল্লদুনা।
ঐ উনা উনা মাবু উখিদে। মোটর সাইকেলগী গিয়ার লৈখৎলগা পাইথোরকখি, থম্মোয়নদি নুংশাশ্বোর হোনখি ফুইনা ফুইনা।



CamScanner

## নরসিংটিলাগী থম্বালিকা, নিংশিংলিবরা ঐবু

মতমদো, মোইরাং কাবী ফিদুপনা উরনা ওনথোকত্রিঙৈ, মচু নাইবা ফনেকনা থ্রি পিছ ওনথোকত্রিঙৈগী যুগনী। বোরাক[১] তোর্বানদা য়াহৌঙবী লৈশাবীশিংনা ইরুজরিঙৈদা অমুবা ক্বাকনা ঙৌরবা সাপোন চেনখিবা খঙহৌদনা পাখংশিংনা নুংশা য়াইনরিবা মতমনি।

ঙসিসু নিংশিংলি ঐদি ঙরাংতা থোকখিবগুম।

চহিগী ইশিং ইচাউবদা শহরগী অপুম-অশা পুল্লমক তাউথখ্রবসু হাইঙমদবা ব্রাহৈ খরদি লৈহৌই বোরাক তুরেলগী ইরৈনুংদা তাউদুনা, কনামতনা নিংশিংদ্রবসু কুয়ারপারগী থোংখোংদা পন্দুনা লৈহৌই থম্মোয় খরদি। থ্রাক থ্রাক য়ান্দুনা লৈহৌই থাদোকপা ঙমদ্রবা থরাই খরা শাহজালাল মাজারগী গম্বুজতা। 'বোরাক'না 'সুরমা' কৌজখ্রবসু থম্মোয়শিনদি য়ানিংখিদে কৈদৌনুংদসু নঙ, মীগী ওইখরে হায়বা।

হায়য়ুবা কৈদৌগে অমুক্তংসু ঐ'দি নঙতগীনি।

চিন্বানদা কয়ারক হায়গে খনখি, হায়ঙমদনা নঙগী য়োংখম মনাক্ত লেপ্তুনা লৈখি, নঙগী পাঙনদেম তারকপা ঙাইদুনা। ফিকোনচৈনা অসুম অসুম চাওথোরক্লবসু পাখং থৌনা অসুম অসুম শোন্থরকখি। হংগৎনা য়েংবা ঙমখিদে নঙগা মীৎচানখিনি খনলুবদা।
লংচাক্কী শাংলবা লংলাদি লোইখিদে, তারকখিদে পাঙনদেম অমুক্তংসু।

মায়থিরবা মায়থোং পুঙমদনা লাকই, কোনুংগী লমজাওদুদা।

থম্বালিকা! নরসিংটিলাগী থম্বালিকা!

নঙবু নোংমগী তত্তনা ঙাইখিবনি, জিন্দাবাজারগি লমদোং অহুম ফাংবদুদা। মায়কৈ মায়কৈদগী আযানগী নিনলবা মখোন্না তাখিদে নঙদি, ঐগী শোন্থরবা খোঞ্জেল, ইদোমতা লৈহৌই তঙক তঙক নমথিরবা ডাষ্টবিনগী নাকন্দুদা। থৌদাম লৈকাইগী কাংশী মখোন্না তানথা য়েরকপদা হনজিনলকখি, ঐগী পিক্লব কা'দুদা। সন্ধ্যা আরতীগি মন্দিরা মখোন্না পুমনিন নিনখি শুক্লবা কা

তৌফম খঙদ্রবা ঐ, মান্ডবতা চৎলি হরিনাম শোন্দুনা।

করম্না কাউথোক্কনি, হাইয়ুবা? হাইয়ুবা নখোয়বু! করম্না কাউথোকসিগে! লাপতক্লা লৈবা ঐ'বু য়েংশন্নদনা, অমুবা কুটকী নাকন্দা ফম্লগা রিক্সোগী হুট হায়থখিবদো।
খঙহৌদনা, হাকালুকি হাওরগী ঈশিংপুম্বা শহরগী লৈরক্তা চেন্থরকখি, বন্দর বাজারগী ঈন পুল্লমক তাওথখি বোরাক্কী কল্লবা ঈরৈনুংদা। জাফলোংগী নুংজেং পূল্লমক



CamScanner

লংশিল্লকখি শিবগঞ্জগি চীংদোংদুদা। মঙাল্লকখি অহিং কয়া, তুম্বা য়াদ্রবা অহিং কয়া কোইচৎ চৎখি শাপমলৈকায়গী পুখ্রী মপানদা।

নুঙাল্লমদাইগী আয়ানগী মখোন্না মঙ ফাওনহল্লি ঐবু।

থম্বালিকা, নরসিংটিলাগী থম্বালিকা! কদাইদনো নঙবু হৌজিক ?

---

*বোরাক[১]: সিলেট শহরগী নাকন্দা চেল্লিবা সুরমা তুরেল, মৈতৈ ঐখোয়না বোরাক হায়না কৌজে ঙসিসু।

## পাবর্তী নত্তে রোবোতি, নঙবুনি ঐনা নুংশিজখিবদো

ঙাঙলৈনবা শম্লাং পুমথা থাদোক্লগা কোনশিনলকই তুংলোমদগী
নুংশিদা, মীꞌত মী ওইরবোই খল্লুই, করম্না নুংশিখিবা খঙহৌদে।

মেঙলবা খোঞ্জেলদা কৌরক্লি, কুইনা উন্দ্রবা কনাগুম্বী অমনা
নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা, খাংপোকশঙ নিংখাইবগুম নিংখাইখি ঐগী থম্মোয়সু।

নুংশি মিথয়েংগী লাংশোইদুনা থম্মোয় তন্না লংশিল্লকই, মীকূপ অমতং
অনিশুবা লানজাওগী তমথিরবা গ্যাসকি মনমদা শিখিবগুম, শিখিবা খঙহৌদে।

থরায় পান্দ্রবা রোবোতি, কয়াদি ফজখ্রেদা, নঙগী লশিং হকচাং-শাওং শাবান
নোংমা কায়দনা এক্সরসাইজ, হেলদি এন্ড স্ট্রোং, টেনশন লৈত্রবা লাইফ স্টাইল।

পাম্মু-নুংশি খঙদ্রবা নঙগী থম্মোয় থোঙনাও, চোকথবা লৈত্রবা পাঙন্দেম-পাম্বোম
ইঙা-ইঙেনগী নোংজু-নুংশাদা চোকথদ্রবা হকচাং, কল্লক্ মীহৌ য়াওদ্রবা মীৎল্লা।

যুম্বাল্লোন-ডিপ্লোমেসিগী ফিদুপ্পা খ্বাঙদা খ্বাঙজেৎ লাক্কুনা, কেরিয়ার এন্ড হোম
ফুঙ্গাদা শঙ্গোম, শঙ্গোনদা পাংয়োং ব্যাল্যান্স মথৌ তাদ্রবা নীংথিরবা নিংজোম।

মখূৎ তরা লোংবা পার্বতীনা নোংমতসু মতম্বাক্তা কোনশিনবিখিদে ঐবু
থরায়-থম্মোয় য়াওদ্রবা রোবোতি, নঙবুতনি ঐনা নুংশিখিবা নুংশি
লৈক্রকসিদা।



CamScanner

## ফ্রোজেন থম্মোয়

নখোয়নদি খঙলম্মোয়,
তু! আদা চৈতেক তৌনা তাদুনা লৈরিবসে ঙাচিক্লি ঙাচিক
ইরমদমগী হিদেলদগী ফারকপনি
চীংলোন মাপন-সমুদ্র তরেৎ লানথোক্তুনা পাইরকপনি।
মাইনাস ফোরটি'দা য়োমশিল্লগা পুরকপনি
প্যাকেট প্যাকেট, বাক্সো লিশিং লিশিং, ঐখোয়গীতমক।
নখোয়নদি খঙলম্মোয়
চাঁদপুরগী  ইলিশাদো মপোপ কায়দনা
'দেশী স্টোর'দা মপৈ মপৈ পৈদুনা লৈ,
ওলাংথা অমদগী ওলাংথা অমা
নিংথম থা অমদগী নিংথম থা অমা।
ইলিশাগী তরাও তরাওরবা মমিৎশিংদো মুন্না মুন্না য়েংঙকই
ঐখোয়দা নিংশিংহল্লি য়ুমলৈবাক, নুংশাশারবা শুমাং।
নখোয়নদি খঙলম্মোয়,
থরো থরো ওনথোইদুনা লৈরিবা হৈগাকোক
মমিং মথা ইদ্রবসু পুন্নমক্না অমুক্তি পাইদুনা য়েংলম্মি।
য়েংলম্মি অমুবা কাংবুনসু,
অঙৌবা কাংবুনসু কোক কোক য়ৈরদুনা।
মদোমতা ওনথোইদুনা লৈরি, শংবানরবা নোবাব খরগা য়ুমলোন্নদুনা,
চাউরবা থুম্মোক খরগী মরক্তা।
নখোয়নদি খঙলম্মোয়,
শুমাং মচিগী হিংগোনদা শাৎলম্মা কবোকলৈগী লৈনম
সুপারস্টোরগী কাচিন কোয়াদা ফাওরকই ঙহাক লৈতনা ।

## বুতাম

### কোক

খুঙ্গংগী স্কুলদা তমলিঙৈ
পরীক্ষা লোইরবা মতুংদা
নোংমা খোংগ্রাউগী বুতাম অমা তাহৌখিবদো
লম্বেলদা অদুম শোন্দুনা লৈহৌই
পুঙ্গি চুপ্পা ইমানা।

### সম

অনৌবা ফ্যাশনগী ফজরবা ফুরিৎ
অদুঙৈগি খুদাং য়াওদবী ব্লাউজ
ঙৌশোক ঙৌরবা নঙগী থবাক্কুদা
মুরবা বুতাম অদুনা থেমজিন্দুনা লৈখিবা
কল্লকখিবা, মীহৌখিবসু নত্তে, ঙাইরম্মি
কিশনলিবা লংলা অদুনা নাম্থোরকপা।

### লাই

শেন্নহৌদবা মীৎকুপ্তা
মীৎয়েং তাজরুবতনি।

## কনানো ঐসিবু

ঐনদি ঙহাকলৈতনা হায়জবনি
অদুবু–
মহাক্নদি থৌসাবিখিদে
হন্না ফাওবা য়েংবিখিদে
ফিথোংদ্রবা ঐগী হকচাংসে।
অইংবা মরকসিদা লেপহনদুনা থমলিবা অদুম–

ওমচাক্নরবা কাংখ মখাদসু,
কয়ানি চাবোই চাদবোই ওনথোইদুনা লৈরম্মী
অকি তুজুংলবা মীরাং মহুম মরক্তুদা
লমহুক্নরবা হৌদোংগুম ইদোমতা।

চিংনবা পোক্লকলে ইদোমতা,
ইশানা ইশাবু থাজরকত্রে ঐদি
খোঙ-খুৎ মায়-মীৎ পানবা
থম্মোয় য়াওবা মীওই অমনি হায়বা,
তশেংবনি–
চিংনরক্লে ইদোমতা কনানো ঐসিবু?

## বোরাক তোর্বানৃগী শৈরেং

**অমা**

খঙহৌদনা, থেংজনলবসু
মপুম থিৎঙৈগী শাউবনি।
অদুগা, ময়াংনা কাউথরম্লবসু
তৌজসনু হায়না য়েংনা লৈবনি।

**অনি**

কতন্লাই চুরবা মখোয় খরনা
চীংদা শাদাম্ব চৎতদনা
উ-ব্রা ককপা তোক্লদুনা
হিদেমপানদা ফমদুনা লৈ।

তাউথরকপা অপুম-অশা
তাউথরকপা চৈতেক-চৈরাং
তাউথরকপা শা-ঙা
ঙায়দুনা লৈ খুনগদগী ॥

**অহুম**

নোংজু-নুংশা খঙদনা হোৎনজরম্বনি
কদায়দগী ইশিং ইচাও অমা লাকপদা
থম্মোয়গী লৈহাও পুন্নমক পুবিখ্রগা
থোমজিনবিরম্মী লৈঙোই-
লৈঙোইগী দালান মনুঙদা শাগৎলি নুঙাইরবা মঙ কয়া ॥

## ভার্চুয়াল রিয়েলিটি

মঙফাওনরকপদা অতিয়াদা চুমথাং খল্লমী
মচু তরেৎকী ফিরালদো পাইদুনা
কোয়চেন চেনখি,
শান্নখি ইমান্নবা ইমান্নবীশিংগা
কে ক্রে কে কে মো মো
য়াংগেন শম্বা শ্যাও শ্যাও
তোকপগা কাম্বগা
কৈগা য়েনগা
য়েনখোং ফত্তে চাশিল্লো
লাইগী য়েন্নী চাফদে
য়াংগেন শম্বা শ্যাও শ্যাও ॥
মৈরা পাইবী, খ্বাংচেৎ কন্না লাকশিল্লগা লাউরকলি
কনানো অমনা অফিং অফাই–
কৈশান থোরক্লে, চোংথোরক্লে কবু-কৈওইবা
খোংবান লুপান মফম মরাং খঙদনা
কোইচেন চেনখি হাপু হানাই তৈদুনা
শোন্থাংলবা নিঙোলগী খোঞ্জেল অমা
ও! কনানো, ঐবু অমুক্তা কনবিয়ু
ঐ য়েন নত্তে ঐসু মীওইবনি মীওইবা
থোংঙাইবম চিংগী চীংজিনদা
থাংজম মনোরমাদো মফি মরোল মফম খঙদনা
লম্বি মপান্দা তারম্মী, নৈহৎপিরম্মে মখোয়না
কৈশান্না শজি অমোম নৈহৎপিবগুম
কদোমদগীনো ফিঙৌ শেৎলদুনা পরেং পরেং
চোংথোরকই মনোরমাগি তুংইন্না কল্পনা চাকমা, গীদিতা রেমা
মথং মথং তান্নরকই নোংমৈ পাইবা লান্মীশিংনা
চীংমী তম্মী অমত্তা খাক্তনা চীংদা-লোক্তা
চেন্নে মান-মান হিংনবা
শোংলবা চীংগী উরী-ৱারীদা লৌশিনখিদুনা
হায়থুখি টিকেন্দ্রজিৎ, ভগৎসিং, ক্ষুদিরাম
নহা কয়াগী ঈ'না চোৎলবা
অঙম্বা অনানবা লম্বেলদুদা

নাহু-নাহুদুনা লোঙখ্রাক লোঙনা তায়
বীরশ্রেষ্ঠ হামিদুর, মতিউর, রউফ
শুক্লা-মস্লবা চীংলকসিদা কনামতা থিবা ফংদনা
মথৌনা ফবা আসাম রাইফেলসকী জৱানশিংদো
শিবা কিদ্রবা ইস্ট বেঙ্গলগী লান্মীশিংদো
ইরোইদুনা শান্নে মফি মরোল য়াওদনা
কাপ্তাই লেককী লুরবা ঈশিংনুংদা
লোক্তাক প্রজেক্টকী লাইজা ইরোলনুংদা
কোইতান তান্নবদা ৱারবা লান্মীশিংদো
ঙাইহাক পোখাই কুলাউড়াগী ইকো পার্কতা
মধুপুরগী থৈবোং পাম্বীমরক্তা
ইমালৈবাক্কী য়েক্লবগা লাম্থেংনবদা
চোকথরবা হকচাংদো তেকখৎনবা
থম্মোয়দা লৈবাক নিঙবা ঈশৈ শক্লদুনা
সাভারগী স্মৃতিসৌধ মমাঙদা
...লেফট্ রাইট্ লেফট্
লেফট্ রাইট্ লেফট্।



CamScanner

## ব্লান সিক্সটি ফাইভ বস্

(ইবেমতন- ব্লাজরগে হায়দুনা পোখাজবা খঙদনা খোঙশানলবা ঐগী পুন্সি খোঙচৎতা নুঙাইজগনী হায়দুনা তুং ইনজরক্লীবী অমসুং নাম্বদুনা লৈরবা নাল্লবা লম্বেলসিদা, শিংজরে খন্দুনা অমুক খুরৌ চনলক্লীবী পংলবি নহাকপু নিংশিংলুবদগী ইখিবা শৈরেংনি)

ব্লান সিক্সটি ফাইভ বস্
অয়ুক্কী থবক চৎপা মতমদা
নুমিৎ খুদিংগী থোংনাউ মপাদা
নংহৌরোই মতৌগুম
হোবে হোবে চংশিন্দুনা ফমলি
সমর
          য়ুইনটর
                    ফোল
                              ওটাম
সিজন-সিজনগী অহোংবা প্রকৃতিগী শক্তম
থম্মোয়নুংদসু য়ৈরকখি, অদুবু ঐদি নাচুংদনা য়েংখি
বস্কী থোংজাউ হাংবা খুদিংগী, নঙতবু
কাউথোক্কুনা ওইরবসু,
          ঙহাক্কী মংলানবু ওইরবসু
          ষ্টেশন খুদিংগী, নোংমগী লেপ্তনা–
          নঙ য়াওরমগদ্রা খন্দুনা, নঙতবু।
          নঙগী শালুঙাং মচুগী ফনেক
          শংবানরবা ফিদুপ, নোকমি-নোকমি মায়থোং
নোংমগী তৎতনা য়েংজখি থোংনাউ মচাদুদা
নিংথমথাগী মমলি-শামলি উবা লৈচিন মরক্তা
লশিং মফোনগুম তারক্লবা উন মরক্তা
লৈরক খূদিংগী
ওটামগী ম্যাপল পাম্বী, উনা-শিংনা মরক্তা
লম্বেল মপানগী পার্ক খূদিংগী,
ওলাংথাগী শারবা নুংশা মরক্তা
থোং হাংদুনা লৈরিবা দুকান খুদিংগী,
          পাকচাউরবা লমহাং খন্দুনা,
নঙবু অমুক্তং উবা ফংগদরা খন্দুনা,
য়েংলি ঐদি নোংমগী লেপ্তনা–

অদুবু
উখিদে নোংমতসু নঙবু।
থম্মোয় শোক্লা
বস্তগী কুমথবা খুদিংগী নিংশিংহল্লি ঐবু
নখোয়গীদি থেংলবা অহিং–
নুঙাইনা পোত্থানরবা মতমনি,
নিংশিংলি
সমদ্রু তরেৎকী ৱাংমদা করম্না লাক্কদগে, নদোমতা
মঙদা ওইরবসু, চীঙদোন মাপন লান্ন চৎপা ঙমখিদ্রবা,
মৈতৈ লৈমা
তুম্মু ইবেম্মা– পেন্না তুম্মু ঐগীসু য়াওনা!
পাক্লবা ফম্মুংদুদা ওনথোইদুনা।

## ইম্ফাল, ঐসু লাক্কনি নোংমদি

ঐসু লাক্কনি নোংমদি, ইম্ফাল
হয়িং ওন্দুনা তোংলগনি নোংমদি
এইডস লায়েংশঙগী কনা উদ্রবা কা'দুদা ॥

লাক্কনি ইম্ফাল নোংমদি, কুরাক ওন্দুনা
তোংলগনি তমথিরবা, লান্মীগী নোংমৈ চিদোন্দা,
শিগনি খঙনা খঙনা ॥

লাক্কনি ঐ নোংমদি শোয়দনা
কাঙ ওন্দুনা ওইরবসু পাইরক্কুনা
ঈ চুপ্লগনি, চিক্লবা অহিংদা
মফম মরাং খঙদনা তাদুনা লৈরিবা লম্বী-লমখাংদা ॥

ইম্ফাল, লাক্কনি নোংমদি সোয়দনা
তুমিৎ ওন্দুনা, তুমিন তুমিন
শুমাংলিলা য়েংলিবা লৈশাবীশিংগী
নাকোং মনাক্তা তম্লগনি নুংশি মপাও
তাইবং কনা তাহন্দনা ॥

লাক্কনি ইম্ফাল, নোংমদি সোয়দনা
কাকফৈ ওন্দুনা, কাফৈ কাফৈ
কাবিনগনী ময়ামগা নোংমাইজিং চীংগী চীংদোন্দা ॥

ইম্ফাল, নোংমদি সোয়দনা লাক্কনি,
ঙাখা পুথি ওন্দুনা ওইরবসু
তাউথরক্কনি ইম্ফাল তুরেলদা,
য়েংলগনি,
তুমিন তুমিন ঈন চিংবীশিংগী মওং মতৌ ॥

লাক্কনি নোংমদি সোয়দনা, ইম্ফাল
ক্বাক ওন্দুনা পাইরক্কনি ক্বা-কৈথেলদা,
নোংমদি
সোয়দনা
ঐসু
ইম্ফাল, লাক্কনি ॥

# মিডলাইফ ক্রাইসিসকী চরুফুদিৎতা

চহি নিফু শুরক্কদৌরে
বাংলাদেশ নঙসু
মণিপুরসু
'ঐ' সু!

থেংলবা অহিংদা জগোই শারৈ
ফিথোংদ্রবা মৌ'নহাশিংদুনা, শুমাংদুদা
অঙাংশিংদো নংগন্দা পোশন্দুনা, মন্দিরা অমমমগা
ময়াং ইকং কংলদনা, চাব ফংদ্রবা হঙোই পোরাবিগুম,মখোইশিংদো
তা তা থৈ তা তা থৈ তা তা থৈ, তাথৈ তাথৈ থৈয়া থৈয়া, পুমচোৎ হেক চোৎলি
ফৈজোমদো।
ফজরবা থাবল, পাক্লবা লমহাং, তংখাই তারবা থরানমীচাক
খোংজোম পর্ব্বগী য়াক্লবা ঢুলোপকী মখোন্দা
খংপ্রেক খংনা হৌগৎলি হুইনাউমচাদো
লমহুই লাপ্তক্লা তেংথারকই
লৈরম্মী ঐগীসু নোংমদি
ঈশৈগী সুর অমা
ঐ'তগী।
শকঙমদ্রবা ঈশৈ, থনুংদা ঙংলদুনা তোকখি, পুকচোনবা পুংয়ৈবশিংদুসু তৌফম খংদনা
তঙক তঙক য়েংদুনা লৈ।



CamScanner

## কবিতা হনুবী

লৈকাদা খোইমু তোংবদা তেকথরবা থম্মোয়সে
মকাতম্না শাৎকাইরকখি কালেনগী নুংশারক্তা

নোঙাল্লমদাইগী কুরাক ফাবদা
চোকথরবা ৱাখলসে
ৱাকচিংগী নুংশিৎনা হুমদোকপিখি-
চিংদোল মাপন লান্ন, তাজহৌই
মদোমতা ইঙেল্লেগুম নাপীশিংবী মরক্তা

মেরাগী থাবল মরক্তা
কোইথি-থিরি ময়াম্না লংথোকপিখিবা
ঐগী নুংশিরবা কবিতা হনুবিদো।



CamScanner

## লিরিক অনি

(১)
মখোয়গী ফজ-ফজরবা
হকচাং কায়াৎশিংদো
নান্‌ল নান্‌লবা ফিজেৎনা
কূপশিন্দুনা থমলি
মক্ল-মক্লবা থম্মোয়শিংদো
উদনবা।

(২)
নুংশি নুংশি হায়দুনা
তম্বাক্ত ফমহনলগা
পিজখি অথুম-অহাও কয়া
নোংমগী তৎতনা
তঞ্জা চাব মতমদা
ফিনুংদা খূৎ হুমজনলকখি
করিসু নত্তে মতাগুম।



CamScanner

## নিংথমথাগী লিরি হুমবা নুংশিৎ

মদোমতা ঙাইরবা অহিংসিদা
তানজা খঙদনা চঙশিনলকই উখোকতেনগী কারক্তুদা–

শগোলহৱাই মরি মরক্তুদা
ঙহাক্তং ওমজগে খঞ্জবনি
নিংথমথাগী লিরি শিৎপা নুংশিৎও
মাঙ্গোনগী কাচিন্দুদা ফমজগে নিংবনি
চোইজাইননা তারিবা আলু মরকসিদা

খরুবি ওনলুরবা ঐসে অমুক্কসু উতিন ওন্নিঙলক্লবনি
তৌববুদি মিরাং মহুমদা মিরাং অমা ওন্না লৈবসিনা মনুঙাইখি
তিলগী লাংদা ফারবা মখল মথেলগী তিল-কাং শান্ন শান্নদুনা

তৌফম খঙদ্রবা ঐ অমুক হনজিনলী সাইজিনগী শেন্দ্রাং মকোন্দা
মীৎ না'ম উইশিল্লগা য়েংথরকখি
মুরবা শগোলহৱাই, ঙাংজুনরবা আলু
লোংখ্রাক লোংনা তাদুনা লৈরিবা মংগ্রা–
নিংশিংহল্লি–
নিংথমথা লোইরক্কদৌরে, অনৌবা পুন্সি অমা ॥

## লমজেল তানবা

লায়নাগা লায়েংবগা লমজেল তান্নবগুম
তান্নরী ইবানিসু কনানা ঙম্বা, কনানা হান্ব
থম্মোয়গা হকচাংগা, লেংবান্ননা চৎমিন্নখি,
কোন্নথংদা লৈহৌই ইদোমতা, ইচুমতাবিদুদা

নোঙাল্লমদাইগী উন তোপ্ তোপ্ তারকখি, লেংজুমদা
নোকমি নোকমি ঙগ্রানরবা নুমিৎ
শম্বলগী অহোবা থিদুনা
মীৎচিনা য়েঙকখি কনা উখিগনী মতাগুম

মফি-মরোল থৌশাদনা, য়াহৌঙনবী মৌ নহা
তরক তরক য়েঙকখি, মমিৎ অদু ফাকলি ফাকলি
তাইবং কনা খঙহৌদনা উচিন নাচিন,
তুমিৎ ওন্দুনা পাইশনলি ঐগী কাদুদা



CamScanner

## ইকেবানা অমসুং বনসাই

লৈরাং কয়াগী পীরাংনা শেমখি মখোয়গী ফজরবা ইকেবানা'গী লৈকোল ফজবদা ঙাওজরবা মখোয়গী মখুৎনা নুংশী খঙদনা ককথৎপিখি লৈরাংগী মশা-মনা মথং মথং, ককথৎপিখি নাকন্দা লৈবা পোমশাৎনরবা লৈরাং কয়াসু নুংশি হৈতনা ফজবা নঙনা নমহৎখি মহৌশাগি লৈজরম্বা, হিংগোন্দা শাৎচরম্বা লৈরাংশিংগী হৌনবিদো।

ইকেবানা' লৈরাংশিংগি ৱারী তারগা, মপি কংখ্রবা বনসাই খোংনাং পাম্বী,
হিক্লা হিক্লা কপলকখি, চহি মরিফু হেল্লবা, খুদুপমুক্তা ৱাংলবা তরু তনানলবা,
আহ! ইপু খোংনাংপাম্বী, নিংশিংলকখি- মমান্নবশিংনা শাংলবা
মশা শন্দোক্লগা হায়-হুমদুনা পাল্লিবদো, মখল মথেনগী উচেক কয়ানা
পুমনিন নিনলিবদো মীঙমলক্তে মদোমতা।

ইকেবানা অমসুং বনসাই পাম্বি'গী চেঙ্হরক্লিবা পিরাং
উবিখিদে কনানসু, ফজবদা ঙাওজরবা ভাবোক ময়াম
তপ্পা তপ্পা চৎনখি, মশাগী পেন্দবশিংদো নিংশিংলদুনা
মদোম তুমিন তুমিন।

## শামু ময়াগী কাং

মরক-মরক্তা নিংশিংলু, নুং-পান ওম্ভোক্তুনা
শগোলহৱাইগী মুরবা লম্বেলদুদা নান্থুবী শান্নে ইদোমতা
শামু ময়াগী কাং। থরো থরো ওম্থে, ময়ায় চম্বা চেকফৈ তম্লা
চাউরবা মাম্ভোবকী কাংখুল ময়ামদো থৌশাদনা, ঙহাকসু
ইদোমতা ওনথবি শান্নে, মাম্ভোবকী অৱাং থংবা ঈচুমতাবিদুদা।

নোংপোক নোংচুপ খা-অৱাং,
থেকোই-মাকোই লৈ লৈদুনা চেম্থে
অৱা লানগায়বদা চেন্নবগুম
মরী মতা থিদনা অচুম অরান য়েংদনা
থরো মারো ওন্দুনা শুজনলি, মাম্ভোব ময়ায়গী য়ুম্বীদুদা।

## খুবাক খুশি খুবাক

ক্লাব ক্লাব ক্লাব
ন্যুড ক্লাব
নাইট ক্লাব
ষ্ট্রিপ ক্লাব
উইকএন্ডগী অহিং খুদিং
ফিথোংদ্রবী লৈশাবীশিংগী
নিংজাউশিংদো উরগা, নিংশিংহল্লি
কংলা মাঙদা ইমাশিংগী থৌনাদো
নচাশিংনা পোংজরি থৌনাফবী ইমা
নখোয়গীদমক
ক্লাব ক্লাব ক্লাব
ক্ল্যাপ ক্ল্যাপ ক্ল্যাপ
খুবাক খুশি খুবাক
পেন্না পেন্না হৌনা হৌনা ॥
অমম-অঙান মরক্কী ষ্টেজশিংগী জগোইশাবী
ফজরবা জগোই শাথেক্কা লোইননা
য়েংহল্লী মীহৌরবা নিঙোল হকচাং কয়াৎ
থবাক্কী ৱাংলবা চীংদোন–
কাখৎলী ঙমবোই-ঙমদবোই
নিংশিংহল্লি মমাংলৈকাইগী চীংদোন
ময়াংশিংনা মুনখিবদো
নোংমাইজিং চীং কাখিদবা কুইরেদো!
দিল্লীগী ডাকুশিং উনগনি খনবদা
খুবাক খুশি কন্না কন্না ক্লাব ক্লাব ক্ল্যাপ ক্ল্যাপ ॥
থৌনাফবী জগোইশাবী, ইকাইখংদ্রবী নীঙোলও
করিমতা নাচুংদনা থেক্কি লাইরেন মথেক্কুম
হকচাংদা লংলা অমা পকহন্দনা,
তুখোং পুন্নমক উহনদুনা
খোইদৌ মখাগী নাপীশিংবী মরক্তা–
ওনথোইদুনা শান্নখি পোথাফম খঙদ্রবা ৱাখলসে-চীং-নাচলগুম,
কৌজেং ফাগদগী কোইতান তান্নখি
ফৈগন অনিগী খোংবান লুপানদা

অমুক্কমুক নিংশিংলকই, ইম্ফাল
মৈতৈলৈমগী ফনেক চীংথরী
          নোংমৈ মতোলনা, উশিৎ থওইদে খন্দুনা
ফিজিদা নোংমৈ মরু কিশিনবিরী, পুকচেন চাওবা পীবাশিংনা
লাইবকফবী মৈতৈ চনু, খোঙ্গাউনরবা য়ুমথোং খূদিংগী
মফি-মরোল মফম মরাং খঙদনা থোঙ্গালদা লংথোকপিরবা
মনোরমা লিশিং কয়াগী থম্মোয়গী তেংথারোলনা
লৈতাফম খঙদ্রবা মণিপুর, কাউথোকলুই ঙহাক
হিপ্-হোপ্কী নিল্লবা খোঞ্জেলদা, কৈদৌনি নিংশিংঙুদুনা
কাউথোকশি পূন্নমক, কাউথোকশি অৱাব পূন্নমক
ক্লাব ক্লাব, ক্ল্যাপ ক্ল্যাপ, খূবাক খুশি খূবাক ॥

## নুংশিবা খূজোক খূজোক

পুন্সিগী লম্বেলদা, থেংনরকখিবা কাউঙমদ্রবা থৌদোক কয়া
থেংনরকখিবা পেলহৌদ্রবা থৌদোক কয়া
মিঙমহৌদ্রবা থৌদোক কয়া
ৱাথোক লিশিং কয়া
কাউথোকখিদো
অমমমতৌনা
অদুবু,
নুংশিবদি
পুন্সি লম্বেলদা
কয়া থেংনরকখিদে
অম-অনিখক ফংলকখিবদো
খূজোক খূজোক তুংশন্দুনা থম্মি, ঐগী
মপান নাইদ্রবা থম্মোয়নুংগী কাচিন্দুদা কনা উহন্দনা

অঙকপদি,
নুংশিবা খূজোক তরাদো
নোংমগী কায়দনা মশিং হেনগৎলকখি
খূজোক তরাদগী খূজোক চাম, খূজোক চামদগী
খূজোক লিশিং অমা, খূজোক লিশিং অমদগী লিশিং তরা
নুংশিবগী ব্যাকটেরিয়ানা থিংজনখি, ঐগী থম্মোয়গী থোংনাউ পূম্বা
আহ! থম্মোয়–
থোংনাউ হাংবা ঙমদ্রবা নুংশিবা!
মচেৎ মচেৎ মফম-মরাং খণ্ডদনা চোইজাইননা
চাইখাইরকখি নুংশিবা খূজোক খূজোক।



CamScanner

## ইম্ফাল ডায়েরী : ১৩ আগষ্ট ২০১৭

মংফাউনরকপদা, ইমালোনগী
লৈবাকনিংবা ঈশৈনা পুমনিল নিল্লম্মী
ইম্ফাল হোটেলগী মনিং-মমাং, য়েৎ-ওই
অঙাং ওইরিঙৈদগী তাদুনতা লাকখ্রবা
অথৌবশিংবু শৈথাবা ঈশৈ
নিংতম লান্মীশিংবু শৈথাবা শৈরেং।

নীংশিংহল্লি নৌহৌননা অমুক্কা–
বীরটিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনেরেল,
পাওনা ব্রজবাসি, চোংথা মিয়া
শকখঙদ্রবা নিংতম লাম্মী কয়া
অথৌবা কয়া কয়া
অমুক্কসু নিংশিংহল্লি
ইমা মণিপুরগী মপারি
চহী নৌরিবা চিংলেনসানা
ঙসিদি কংলৈপাক্কী অতিয়াদা
অঙৌবা খুনু ওইনা পাইররেদো।

পিক্লবা ঐগী কা, চাওরবা ঐগী থোংজাও তুংদা থনমলগা, ইদোমতা
ইমা কৈথেলবু নাকন্দা থৈদোকচরগা, কংলা ফোর্ট পাংনা চংশিল্লি।

মকোই-মরাং চোংবা অহল অমনা লাউরম্মী
কংলা শা মমাংদা
চৈসু অমগা তোক তোক
            তোক তোক -
মমীংতমক মঙাইরে, মমীংতমক!
লম্বীগী মমীং, কৈথেলগী মমীং
            বীর টিকেন্দ্রজীৎ রোড
            থাঙ্গালবাজার
            পাওনাবাজার
লৈবাক নীংবা ৱাহৈগী লৈপরেং, লমজাওদা থরোমারো
লৈনম য়াওদ্রবা লৈরাং, খুজোক খুজোক, নুংগী মুর্ত্তী মাঙদা।



CamScanner

লৈবাক নীংবা অথৌবশিং, তারিবরা নখোয়বু!
নিংতম্বা অহল ইবুংঙো, লৌবা চংখিবা
পোক্লফম ইমা নঙগী থৌনা ফবা নপারী নমোম
লমহুকনখ্রবরা! হল্লকখিদ্রে ঙসিসু ...
–অহল অমা, কংলা মমাঙদা মদোমতা।

তপ্লা তপ্লা ঐসু অমুক্কা কা মনুঙদা হল্লকখি,
কনামতা খঙহনদনা, তুমিন তুমিন, ইদোমতা।

অন্দ্রোগী মৈ

মখোয়নদি থাজনৈ, কৈদৌনুংদসু মুৎলকত্রবা মৈরি হয়েংসু শোয়দনা ঙানখিগনি

ঙরাংতা শগোল কাংজে শান্নরম্বা কাংজৈবুং ঙসিনা চাওরবা মার্কেট ওম্ভোকখ্রবদা
খম্বা থোইবীগী মপান নাইদ্রবা লোক্তাক পাৎ মখোয়গী শেন্দান লম্বী ওইনরক্লবদা
মোইরাংগী য়ুমথোং খুদিংগী য়োংখমদা ফিদুপকী মহুৎতা অঙৌবা ফি মতেকঙাক্ত
ঐদি থাজদ্রে,
অন্দ্রোগী মৈরাদো হয়েংসু চাকখিগনি হায়বা। সুকথা থাজদ্রে।

কনানবু পুবিরকখিগনি নুমিৎকী শীংপোৎ মশাগীতা খন্নরবা মতমসিদা
কনানবু মতম কায়থোকপিগনি অহিং-নুংথিল-নুমিদাং ফুঙ্গাগী মৈরী মুৎতনবা
কনানবু শেংদোকপিগনি ঙহাক লৈতনা নোংমগী তৎতনা উৎ ৱাই অমোৎ-অকায়
কনানবু য়েংশিনবিরক্কনি কান্নবগী মৈঙাল য়াওদ্রবা হৌনবগী তৌজবনি খঞ্জরিবা মখোয়না।

লাকও, য়েংলুসি ময়াম
অন্দ্রোগী ফুঙ্গা, ঐখোয়গী হৌরকফম
ফুঙ্গা ৱারী'গী লীখুন থীবা ওইনা।

হাইদ্রো দামগী মৈরীনা মুৎখ্রবসু
কলহৌসি অন্দ্রোগী মৈরা
মৈরা পাইবিগী মৈরী'না ঙাল্লিঙৈসিদা।



CamScanner

## ইতা সখি

নাটোর'গী বনলতা সেন
মণিপুরী শাড়ী ফিজি খরা থাঙ্গৎলগা
নোকফেৎ তৌদুনা কৌরকই, ইতা সখি!

নিংথৌখোংগী চন্দ্রসখি
করিমতা নাচুংদনা তুমিন্না লেপলি
ঙৌশোক ঙৌরবা কোকখুম্বি অমগী মরুমদা।

## নোংমৈ মরু

নোংমৈ মরুদি নোংমৈ মরুনি
লাইবক্তা তল্লা কাপশিল্লক্লবসু
নোংমৈ মরুদি নোংমৈ মরুনি
খঙহৌদনা কাপশিল্লক্লবসু
নোংমৈ মরুদি নোংমৈ মরুনি
শোয়দোকখিদুনা কাপশিল্লক্লবসু
নোংমৈ মরুদি নোংমৈ মরুনি
উশিত্তনা কাপশিল্লকপা ওইরসু
নোংমৈ মরুদি নোংমৈ মরুনি
থৌশাদনা কাপশিল্লকপা ওইরসু
নোংমৈ মরুদি নোংমৈ মরুনি
নুংশিদদুনা কাপশিল্লকপা ওইরসু
নোংমৈ মরুদি নোংমৈ মরুনি
নুংশিদুনা কাপশিল্লকপা ওইরসু
নোংমৈ মরুদি নোংমৈ মরুনি
খুরুমদুনা কাপ্পিরম্লবসু
নোংমৈ মরুদি নোংমৈ মরুনি
'ফ্রেন্ডলী ফায়ার'বু হায়জরবসু

ঐদি থাজৈ হয়েংদি শোয়দনা শাৎলক্কনি
কিশি কিশল্লবা নোংমৈগী চীদোনদা অমুবা গোলাপ অমা।

## মণিপুর, ঐগীসু পেন্দবা খরা লৈ

*" মণিপুর*
*মীনা নঙবু ইমা কৌনৈ*
*ঐসু কৌজগে ইমা*
*অদুবু শিবদি ঙম্মোই নঙগীদমক।"*
- থাংজম ইবোপিশক

'মখোয়গী মণিপুর'দা চেনলিবা
নমবোল তুরেল, মথং মথং লাক্তুনা
ঐখোয়গি য়েন্নখাদা লৈবা বোরাক্তা
চুমদ্রিং হেক্তা ফেনজিনখিবনি, য়াব য়াদবা।

কৌব্রু চীংদোন্দগী শিঙ্গুরক্পা পিরাং
নুঙাল্লকপদা লিক্লা ওনদুনা লৈরম্মি, ঐখোয়
মমাংগি হিংগোন্দা হৌরিবা হঙ্গাম মতোন্দুদা
লৈকাইগী অবোক্লা খঙহৌদনা ফোইদৎখিবনি
সোরারেন্না মতিন শিৎচল্লকপনি হায়দুনা, খঙবা খঙদবা।

লোক্তাক পাৎতা হী হোম্বা অমনা
নুংশিরবা মতমগী ঈশৈগি শৈশক পুন্নমক কাউথোকখিদুনা
ইমোজীৎ নিঙোম্বগী শৈরেং অমা মদোমতা ঙংলি, কনা তাহনদনা
" মায়থীখ্রবসু
ঐদি পাম্মী
খোংজোম লান
ঙসিগী অসুম্মাইনা হিংগদবগী শরুক ॥"
ঈশৈগী সুর ওইনা থোকউ য়াদ্রবা শৈরেংগী ৱাহৈ পুন্নমক
নোংলৈ নুংশিৎ ওন্দুনা পাইরকখি সিলেট- নরসিংটিলাগী কাংজেবুংদা
থুদেকপিরম্মী শান্নরোইশিংগী আশাগি পাম্বী পুন্নমক, মফম মরাং খঙদনা।

ইম্ফাল শহরগী লৈরক লৈকায়দা চৎথরিবা কোম্বিং ওপারেশন
অয়ুক নুংথিল নুমিদাং খঙদনা ইমু নাইমু তানরবা লমজাও
নোংজু থাগী লেপ্পা নাইদ্রবা নোং, ইশিং ইচাও
লময়াইদা লৈবা কাংপোকপি পাৎতা ইফুৎ ওইনা ফাওগৎলকই



CamScanner

ঙাংশং ঙাংবা তকৎ তকৎলবা ঈ, লেপ্পা নাইদ্রবা, থিংবসু ঙমদ্রবা।
'মখোয়' ময়াম্না আকাশবাণী ইম্ফালদা শন্দোরকপা
'নহারোলগী খোঞ্জেল'না পেলহন্বা ঙমলবসু, ঐতদি
পেঞ্জবা ঙমখিদে, থম্মোয়নুংদা ওমচান্নবা অমা ফাওখি, তশেংবনি
মণিপুর,
ঐগীসু পেন্দবা খরা লৈ, ইরমদম্মক নত্রবসু।

## কোকিল অমসুং লমখুনু

লমহুক্করবা লমখুনু পাইশিল্লকই য়েনখাদা
নুমিৎনা সনথোংদা ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা
শাইজিনগী শেন্দ্রাংনা চাকতাবা চৎত্রিঙৈদা
শুমাংদা চোংঙাশিংনা মতু ফোইনরিঙৈদা ॥

হিংগোনগী খামেন পাম্বিদা খোইনিং খরনা মচিগা মচিগা
ৱাংলবা ক্বা পাম্বিদা উরিৎশিংনা মহুম শারী পুক্লিং চংনা
চরোই অমা, খঙহৌদনা কদোমদগীনো, য়াক্লবা খোঞ্জেলদা
পুমনিল নিল্লি খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ মায়কৈ মরিমক্তা ॥

লমলাম্বীনি হায়নরিবা কোকিল, খোঞ্জেল নুংশিবী ও! কোকিল!
করিগীনো তুমিন্না লৈথোকখিবা, তঙক তঙক য়েংদুনা
থৌনা লিংজেন লৈত্রবসু নঙগী মেংলবা খোঞ্জেলদুনা
অমুক্তং মনিংগী থৈবোং পাম্বিদুদগী খোংলকউ কৈদৌগে
কুহু-হু হায়দুনা।

আহ! কোকিল, “খৌজেং নানলবা অমুবা লিনগী শক্তম লৌবা”, চেক্লাও

ওহ!
ল-ম-খু-নু!
ওন্থোকপনিদা!
চোইজাইননা তারিবা শরু শরাং
শুমাংথুংনা মোন্ মোন্ লাউরবা চদুম চদুম
পোলাংখোক মখোংগী চিদাই’মদা, পিরাং কংদ্রিবা
তনিক তনিক্লবা মীৎম্লা অমা, নাইতোম তাদুনা লৈহৌই।

নোংমা,
থেংলবা অহিংদা চিক্লবা তম্পাক অমবু খৌরাংদুনা
চেক্লা অদো য়ুম থাদোরকখিবনি থাজগী মঙালরক্তা
চেক্লা অমত্তদা হায়রমদনা মদোমতা কনা খঙহনদনা ॥

ল্যাম্পপোষ্ট

সোডিয়াম লাইটকী ঙানৃলবা অহিংদুদনি
নোক্‌মি নোক্‌মি মহাক্না হায়রকখিবদো-

নাহে-খোঞ্জেল নত্তে, ইচং থৌরবা কনাগুম্বা অমগুম
শহরগী মীরাওখোল মরক্তুদা খংলাউ লাউরকখিবদো-

মুথৎপিরম্মু ঐগী  মঙাল, মমহল্ল শহরগী লম্বী পুম্বা
অদুগা,
ঙালহল্লু গলি গলিগী ইমুং পুম্বা- ড্রয়িংরূম, লিভিংরুম
চিথবিরমগনু অমত্তা কিচেনরুম, বেডরুম, বাথরুম-সু

হাইদোকপিরম্মু য়ুখল পুন্নমক, উজসনু লম্বীদা চৎলিবা মীয়াম্না
ইমুংগী ব্রাথোক পুন্নমক, য়েংহল্লু-তাহল্লু লমজাওগী মীয়ামদা

মথং মথং মখা তাথরকই-

অমমবদা থোক্কদবা অকি তুজুংলবা থৌদোকশিংদো
ইমুং খুদিংগী ঙহাকলৈতনা থোক্লিবনি, নোংমগী কায়দনা
মমলবা শহরগী লম্বী নত্তে, শেন্নবিগদবদি য়ুম য়ুমগী কা মনুঙদনি
মুথৎপিরম্মু ঐগী  মঙাল, ঙালহনবিয়ু শহরগী কা পুন্নমক, অমত্তা চিংথদনা

ষ্ট্রিটলাইট ওইদুনা ঙানলিবা ল্যাম্পপোষ্ট
মদোমতা লাউহৌই, অহিং অদো তুমদনা
ড্রেনেজগী নমথিরবা মনম মরক্তুদা
মুৎশিন মুরবা কৈলাস মথক্তা লেপ্লগা।



CamScanner

## লানমৈ থাউমৈ

থেংলবা অহিংগী মুশুকমুরবা
কদায়দগীনো খঙদে নোংমগী কায়দনা
চোংথোরক্লি কুফেৎ কাফেৎ
তমথিরবা অহিংদুবু ঙাইহাক্লি ওইরবসু
ঙালহল্লি মফম খঙদ্রবা লান্‌মৈ থাউমৈ ॥
হিংবদা চোকথরবা ঐ
নুঙাল্লমদাইগী লিক্লানা চামথোকপি
পেন্দবগী চৈসু পাইরগা অমুক
কোইথি থিবা চৎলি নুমিদাংগী
লানমৈ থাউমৈদো ॥

ঐসু ওইজনিংখি নঙগী শৈরেংগী শমক্রু অমা

ঐবু ঙাওহনখিবদি-
নুজা, নঙগী চিনবানদা য়েকলিবা শমক্রু অদুদা নত্তে
নঙগী খজাইদা লৈরিবা অদুসু নত্তে।

ঐ মীহৌখিদে কৈদৌনুংদসু-
নিঙোল মাগী থুংফম চাখিদ্রবা মফমদা লৈরিবা শমক্রু অদুসু
কল্লকখিদে, নিংথিরবা নুজাগী মায়থোংদা রাশি হাপলিবা
মুশুক মুরবা পিকলবা শমক্রু নঙবুসু।

ঐনা ওইনিংখিবদি-
শৈরেংদা শৈথারিবা ফজরবা কাউঙমদ্রবা শমক্রু অদুনি
মথায় থায়নগি শৈরাংবা মহাকবি আলাওলগী পদ্মাবতী কাব্যগী শমক্রু
পারস্যগী অমর কবি হাফিজনা খোয়দাজখিবি তুর্কী নিঙোলগী মায়থোংদা
পিক্তক তৌরবা ফজরবা শমক্রু, মালেম শিনথুংনা শোন্নরিবা, ঙসিসু।

ঐবুসু অমুক্তং-
ঙৌশোক ঙৌরবা ফজরবা চেবাং অদুদা
অমুবা ময়েক্লা, ফজরবা ৱাহৈপরেংদা
অমুক্তং
হে অশৈবা, খোরিলাংবা, নঙগী তৌবাঙম্বা খোর্জেদগী
থোক্লকপা কবিতাগী নিংথিরবা ৱাহৈপরেংতরামরি
ঐবুসু নিংশিংবিরম্মু সনেটকী চরণ অমগী ৱাহৈ অমতংদা ওইরবসু
নঙগী শৈরেংগী শমক্রু অমা ওইনা।

# থম্মোয়নুংদা লোৎতুনা লৈরিবা ঐগী নুংশিবী

(কবি কাজী নজরুল ইসলামগী "গোপন প্রিয়া" কৌবা শৈরেং পাজরুবা মতুংদা থম্মোয়দা ফাওরকপা ইথিল অদুদগী ইথোকচবা শৈরেং অমনি)

সমুদ্র তরেৎ ৱাংমদা লৈহৌরবা ঐগী নুংশিবী, লিনা ম্যাগনোলিয়া
নুংশি মৈচাকনা চাকলবা ইবানিগী থম্মোয়,সমুদ্রগী ৱাংম-ৱাংমদা
ইবানিগী শিন্থরবা পিরাংনা সমুদ্রগী ঈশিং পুম্বা থুম য়াকলবা ঈশিং
মলয়া নুংশিৎনা পুদুনা লাকই নঙগী নুংশি পাউদম, ঐগী ইনাকোংদা
নোংথক্তা পাইরিবা সেটেলাইট কয়ানা, থাবিরকই নঙগী খোইথুমনরবা য়ারা
তুম্বা য়াদ্রবা অহিং কয়া, নঙগী থম্মোয় হুরবা ঈশৈগী সুরনা নাপদা চীরোন তৌররে।

শকখঙদ্রিবী, অমুক্তসু উনজদ্রিবী নুজা নঙবু, খোঞ্জেলখক্তা তাব নত্তনা
করি আশাদনো নঙনা ঐবু ঙাইরিবা, নুংশিরিবা
পেঞ্জদ্রবা ঐগী থম্মোয়না হংজৈ ইদোমতা, ঐগী ৱাহং ময়াম
ৱাকচিংগী উন ওইনা খিক্তরকখি, ঙৌশোক ঙৌরবা ৱাংলবা অতিয়া
উনা কেনখ্রবা পাম্বী পুন্নমক তুমিন্না লৈরী, ঐগী পাওখুম পিঙমদনা
খঙলি ঐসু, লাংতক্লরবা নঙগী নুজা-থম্মোয়, কিথুক কিরুম, থবেৎ থবেৎ।

ও! ঐগী অহিং অমা লাপ্পা লৈরিবা নুংশিবী, থম্মোয়নুঙগী নুংশিবী-
নোংজুথাগী নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোক্লে তৌরিবা নঙগী মোইরাংকাবী ফিদুপ
কনা উখিনি মতাগুম, চেজেৎনা কোনশিনজৈ নিঙোল হকচাং–ঐগী থম্মোয়-ফিজংনা;
মচু তরেৎকী চুমথাং, ঐগী মরূপ, নঙ কিখিগনি মতাগুম শংদুনা লৈরী, লাপতক্লা
কনা খঙহনদনা, ঐগী পুক্লিং চেক্লাও ঐনা ঈশৈ শকখি, পুথ্রী মপানগী থৈবোং পাম্বিদা;
নোকফেৎ তৌবা নঙগী মাইথোং, চেক্লানা পাইখ্রবসু ঐগী ঈশৈগী সুর অদুদি লৈহৌই,
নঙগী ওমচাক্লরবা থম্মোয়, লাংতক্লরবা নঙগী ৱাখল, তৌফম খঙদ্রবা নিঙোল পুক্লীং,
পেঞ্জৈ ঐনা।

শকখঙদ্রিবি, ও ঐগী লোৎতুনা লৈরিবা নুংশিবী! নুজা নঙবু-
ঐগী থম্মোয়না শাগৎচৈ নঙগী ফজরবা মূর্তি অমা, য়েকচৈ
মখল কয়া, মচু কয়াগী পেন্সিলনা, নঙগী পোর্ট্রেট; থম্মোয়নুংদা।

চীংদোল কয়া, সমুদ্র কয়া লাপথোক্লখ্রবসু, ঐ খংঙি -
ঐগী ঈশৈগী সুরনা য়াকাইহল্লি নঙগী নুঙাল্লকপা, নুমিৎকী

মঙ ফাওনরকপদা নাকন্দা য়েংলি ঐবু, নোকমি নোকমি
নুমিদাং খুদিংগী ঐগী শৈরেং লাইরিক, নঙগী লুখুমদা।

ও ঐগী সমুদ্র তরেৎ ৱাংমদা লৈরিবা নুংশিবী, শক খঙদ্রিবিও
ঙাইরমখো ঐবু, অহিং লিশিং কয়া, চয়োল চাম চাম...
লাক্কনি ঐ নোংমা সোয়দনা, নতম্বাক্তা পোখাজগনি, নঙগী
চীনবানদা ঐগী চীনবান কনা খঙহন্দনা, ইবানিখক্তা, অহিংপুম্বা।

লৈরম্মুকো, শক খঙনদ্রিবা নুজা, ঐবু ঙাইদুনা
নঙগী ৱাখলদা তুম্বা য়াদ্রবা অহিং কয়া, হীগোক
মচুগী অহিং, শালুঙাং মচুগী নুংথিল, লিরি হুম্বা নুংশিৎ
ঙাইরম্মুকো ঐবু। নোংমদি ঐ শোয়দনা লাক্কনি, নুমিদাংগী
মমলবা অহিংদা, তনদন ওইনা ঙাল্লগনি কুফেৎ-কাফেৎ
বিদায় লৌরগনি, নোংমা, নুংশিবী, নঙোন্দগী চান্নবী,
নুংশি থোঙ্গালদা ঙাইরম্মুকো, শকখঙনদ্রিবা নুজা ও
আশাগী মৈরা পায়দুনা, নুংশিবগী মঙাল শন্দোক্তুনা।

## য়াহৌ ঈশৈ

মরক মরক্তা
নুঙাল্লকপদা ঐবু থিবা ফংদে
কদায়দা চৎখিবা, কৈদবু লৈরিবা

কোইহং হংঙি,
মাঙোন্দসু মাঙোন্দসু
কনামতনা অচুম্বা অমত্তা হায়রক্তে

অদুদা চৎখি
আ'দ লৈ
হৌজিক্তা অসিদা লৈরম্বনি
অমনা অমা হায়, অমনা অমা হায়
কনানসু হায়রকখিদে, অচুম্বা অমত্তা
কনাদবু হংগদবা,

কদায়দবু থিরুগদবা
ঐ'অদো
চীং পাৎ মোংশোং
তুরেল মপান, পুখ্রী মপান
চীৎথদনা য়েংখি, য়েন্নখা, সনথোঙ

হায়দোকখিবা খঙহৌদে
শিজখ্রসনু শিদ্রুখাকতো
কদায়দবু লৈরিবা...

মরক মরক্তা
নুঙাল্লকপদা ॥

## নাকেন্থানা লাকপদা

নাকেন্থাগী মনাবু শংবানরবা অতিয়ানা
করিগীবু মীহৌরিবা?

নুমিদাংৱাইরমগী নুমিৎনা
কৈদৌঙৈদসু ৱারৌখিদে মেরাগী পূর্ণিমাদা
ঐখোয়তনা পেঞ্জদবনি–

ইমালোনগী নুংশিরবা খোঞ্জেল
তান্থা ওইনা য়ৈরখি
ঐখোয়গী রকি মাউন্টেনদা।

কাউবিগনু পলেম ইমা
সমদ্রু কয়ানা খায়জরবসু
চীংদোল মাপল ৱাংমদা লৈজরবসু।

ঐগী ওইনদি নুমিৎ পুন্নমক
শৈরেংগী নুমিৎ ওইহননিংবনি
নিংথৌকাবদগী নোংমাইজিং
নুংতিগী নুমিৎ থোকপগুম।

# কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী

• • •

[কোভিদ-১৯ লায়না'গা লাম্হেংনরবা মতুংদা হকচাং অমসুং
ৱাখলনা খরা চোক্‌থনা লৈবা মতমদা প্রোজ-পোয়েট্রিগী
(গদ্য কবিতা) মওংদা 'কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী'
কৌবা সিরিজ অসি অনৌবা চাংয়েং অমা ওইনা ইথোকখিবানি।
অহান্বদা ঐনা ফেসবুকতা খুদক খুদক্তা ইথোকলগা ময়ামগা
শেয়ার তৌজখিবনি। মতমদুদা ইথোকখিবা ৱাহৈ
পরেং অমদি শিজন্নখিবা স্টাইল অদু খজিক্তং
শেমদোকচরগা অমুক 'মৈরা'গী ৫৯ অমসুং
৬০ শুবা ইস্যুদা সিরিজ ওইনা পন্দুপ
অনিখক লাম্হোকচখি। হৌজিক অমুক লাইরিক
অসিদা মপুং ওইনা থমজরে।]

• • •

CamScanner

## কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী-০১

নহানদো, মৌ অতোম্বীনা মেসেজ থারকই। ইমানা ৱারী শান্ননিংই। উনিংই। য়েংনিংই। মেসেঞ্জারদা। ফেসবুকতা। ঐঙোন্দা।

ঐনা হোসপিটালদা, ইদোমতা। কা অমদা, ইদোমতা। ফমুং অমদা, ইদোমতা। খুৎতা হিদাক কাপলি, ইদোমতা। নাতোনদা ওক্সিজেনগী পাইপ, ইদোমতা। থবাকতা মখন মথেনগী মেশিনগী মরি মরাংগা, ইদোমতা। ইদোমতা, ঐ'তা।

ইদোমতা।

ঐ ৱায়, শাথিনা ৱায়। ৱারী শানিংদে, ৱা ঙাংনিংদে। করিমতা হৈনিংদে, করিমতা য়েংনিংদে। অদুবু ইমানি, ঐগী অপংবী (ঐতনা খঞ্জবনি) ইমানি; নাপংবী ইমা! চহী অহুম্মুক ফারে উন্নদবা, ৱারী শান্নদবা, শকমায় উন্নদবা।

করম্না?

নুমিৎ অনিতং, ফরে হাইয়ু, হকচাং নুঙাইরে হাইয়ু... হয়েং তৌরক্কে-- মেসেজ থাখি। মোবাইলদগী, ফেসবুক মেসেঞ্জরদগী।

ইমাদো ঙায়রী ঐবু, য়েংনিংবনা, উনিংবনা; অসোমদনা ঐনা ৱা ঙাংনিংদে, ঙমদে, উহন্নিংদে, ঐগি শোল্লবা খোঞ্জেল,তাহন্নিংদে।

ওহ! ওহ! শ্বোর ফুল্লে O $O_2$ O $O_2$ ওক্সিজেন! ওক্সিজেন! ... খজিক্তংগা, কোলিংবেল নম্মী, কৌই, নার্স! নার্স! O $O_2$ O $O_2$ ওক্সিজেন ... শ্বোর হোন্বা ঙমদ্রে, ৱারে। ঐ ৱারে, শ্বোর হোন্বা ...। শ্বোর হোন্বা, শ্বোর হোন্বা ৱারে, ৱারে ...।
ইমা! ইমা! ইমা!
নার্স! নার্স! নার্স! ...
আহ! আহ! আহ! আহ!
ঐ ৱারে, ইমা!
ইমানা হায়, নঙসে, হন্দকসে দশা ফত্তেনে...
ঐনা হায়গে তৌই, ঐগীতা নত্তে দশা ফত্তবা, মালেমপুম্বগী দশা ফত্তবনি ইমা, মালেমপুম্বগী, দশা ফত্তে, দশা ফত্তে ...।
-য়ুমলাই খুরমই ঙরাং, সিধা থীন্দোকখ্রবনি নহান, অহন খরসু চাক পিজে, ভোগ কথলি লায়দা, কৈসু তৌরোইদা, ঐ লৈরী, ইমা লৈরী, লাই খুরুম্মু, ইশ্বর খুরুম্মু,

য়ুমলাই খুরুম্মু, হৌগৎলকপগা গুরু...  ইশ্বরগী মীং লৌ ... কৈসু তৌরোই, ঐ লৈরি, নখোয় ময়ামগী ঐ লৈরী। নচা চাওদ্রি, ফরক্কনিদা, ঐ লৈরী... ইমা লৈরী, নচা পিক্লি, ৱাখল শোন্থগনু; ঐ লৈরী, ইমা লৈরী...

-করি হায়রি? মানা হায়রিসে ঐ তাদ্রেনে--ইমানা মৌ অতোম্বীদা হায়। ঐ নাকোংসিনগা... নঙগী মোবাইল... করি হায়রিমো - মদোমতা মুরুম মুরুম শোল্লি।

হৌগৎনা ফম্বা ঙম্মে... খল্লুনু, ফরনিদা –ঐনা হায়জে; ইমাদো তাদে, তাদে ঐগী অপংবী, নাপংবী ইমাদো; তাদে...।

অতৈসু হায়নিংখি, ফরক্কনি, মালেমপুম্বগী দশা কোকখিনি। খরনিতনি, ফরক্কনি। মালেমপুম্বা লায়চৎ অমনা কৈসু তৌবা ঙম্মোয়। দশানি! খরনিগী দশানি। ঐখোয় মীওইবনা শোয়বননি। ঐখায়না শোয়বনি, ইশ্বরগী নত্তে। মপুগী নত্তে, ঐখোয়গী দশানি। ফরক্কনিদা, খরনিতনি ইমা ...।

ঐখোয় মীওইবা...

ওহ! ওহ!  আহ! আহ! নার্স! নার্স! ওক্সিজেন! ওক্সিজেন! খজিক্তংগা...

কোলিং বেল নম্মী।

কৌখি, নার্স! নার্স!  ওক্সিজেন! ... শ্বোর হোন্বা ঙমদ্রে, ৱারে, ঐ ৱারে, শ্বোর হোন্বা ...

ইমা! ইমা! নার্স!... নার্স!...

আহ! আহ! ঐ ৱারে, ইমা...!

মোবাইল মুথৎখি।

ইদোমতা, কা অমদা ইদোমতা। ফমুং অমদা, ইদোমতা। খুৎতা হিদাক কাপলি, ইদোমতা। নাতোনদা ওক্সিজেনগী পাইপ, ইদোমতা। থবাকতা মখনমথেনগী মেশিনগী মরি-মরাংগা, ইদোমতা।

ইদোমতা, ঐ'তা।

ইদোমতা।

মাঙখিবা মীওইদুদি ফংবসু য়াই, চেনখিবা মহাকপুদি করম্না ফংগদগে, কদাইদবু থীরুদোরিবনো। লমহুক্লখিবা মাবুদি লমজিংবিবা য়াই, মীচেন নঙবুদি করম্না... চেনগনু, পোত্থাও, ঙহাক লেপ্পু, অদুবু থেংনগদবনি, ইশিংদা, কংফালদা, চীংদোনদা, মোংশোংদা, মীরক্তা, উরক্তা, অমম্বদা, অঙাম্বদা। মীয়ামমরক্তসু, ইদোমতসু থেংনগদবনি। থেংনগদবনি, খঙহৌদবা মীকুপ্তা মাঙখিবা, চেকশিন্দবা ক্ষেনফমদা লমহুক্লখিবা য়াই। অদুবু চেনগনু, মীচেন ওইগনু। চেনগনু, থেংনগদবনি। মীয়াম মরক্তসু, ইদোমতা ওইরসু, থেংনগদবনি।

হে...রা ...।

নুমীৎ মঙানিমুক ফারে, অরুম কন্না হৌরি, অমুক ঈং, অমুক শা, হুমাংনা পুমচোৎ হেক চোৎলি। খরা শোন্থরে। অদুবু হৌগৎপা ঙম্মী, তোয়লেটতা ইদোমতা চৎপা ঙম্মী। খরদি ৱাই। ৱাই। হৌগৎলগা, চৎলুরগা ৱাই। শ্বোর হোম্বা খরা খরা ৱাবা হৌগৎলে। অদুবু অরুম হৌবা লোয়বগা, হুমাং কাংবগা হকচাং নুংঙাই, করিসু তৌরোই খল্লি। ফজখ্রনিদা।

নুংতিগী ডাক্তরনা ফোন তৌরকই, পাবলিক হেল্থতগী পুং খর খর লৈরগা আপডেট লৌরি।

করিসু তৌরোইদা। খরনিতনি। অরুমখক্তনি। নো প্রোব্লেম।

-কোফিং?

-নো।

-এনি পেইন?

-নো।

-হেদেক?

-নো।

-ওকে। শোর্তনেস ওফ ব্রেথ?

- নো, নোত ইয়েত।

-ও, ওকে, দেন।

ঐসু হায়, ওকে। থেঙ্ক ইয়ু।

-করিসু তৌরোইদা। তেক কেয়ার। ফোন থমখি।

ঙরাংরা, নহানলা, মার্চ ২০, ঐখোয়গী পুন্সী লৈপুন নুমীৎনি। কাউখিবদি নত্তে, থৌশাখিদবনি। ইশাগী ওইবা থৌরম পুম্নমক্তা ঐসে খরা থৌশানিংদে, শেনথুমদা চেকশিনদে, ইশাগী হকচাংদা চেকশিনদে, ইমুংমনুং থবক থৌরমদা থৌশাদে, খরা পংজবা হায়দুনি। ঐ, ঐতগী খল্লুদে নোংমাফাওবা, অদুনা থৌশাদে, কাউশিন্নে,

ইপোক নুমিৎসু, নুপীগী মপোক নুমীৎসু। ঐ খংঙি, মহাক নুঙাইতে, শাউনিংলি হায়বা। অদুবু পেন্দবদি তৌদে, ৱারৌবদি তৌদে। করিগুম্বা অমা, করিনো অমা ... অহাওববু ওইরে, পোৎচৈ অমবু ওইরে... ঐতনা হৈনজদবনী। থৌশাদবনী। মপান থোকপা ঙমদবগা, গাড়ীসু থৌবা ঙমদ্রবনিনা ওনলাইনদা ওইনা ওর্ডার তৌরে, অচা-অথক, ঙমোক-হৈমোক, অহাও-অথুম।

ফরেদা, মহাক্নসু হায়রকলে। নঙসু হকচাং ঙমদবনিনা, খরা য়াম্না পুরকলো।
ক্রেডিত কার্ড পুথোকই। ওর্ডার তৌই।
নুঙাল্লকপদা থুংলরে, দিং দোং, দিং দোং, দিং দোং, দিং দোং ...
ইচানিপা অতোম্বদুনা কৌরকই, মমা! মমা!... কাম! কাম...।

নোংমা। কৈশাম লৈকায়দগী পুং-মাংগং কন্না য়ৈরদুনা ময়াম চীংলোমদা চংখি। মামো তোম্বাগী মচানিপা অহলদো, লোকেশ্বর..., তা'লোকেশ্বর মাঙখ্রে হায়য়ে। হল্লকত্রে হায়য়ে। লৌ শুবা চৎখিবনি হায়ব্রা। শিং চন্বা চৎখিবনি হায়ব্রা, ষন-ইরোই পুথোকখিবনি হায়ব্রা, কাউখ্রে। ঐসু অঙাং ওইরি, খুঙ্গংগী স্কুলদা ক্লাশ অনি-অহুমদা তম্লিমানে। নিংশীংবা হায়ববু, য়ুমদা হল্লকত্রে, মাঙখ্রে, থীবা ফংদ্রে, অসুম হল্লকখিদ্রে।

ঙসিফাওবা অসুম হল্লকখিদে। মরক মরক্তা ঐ মাঙখ্রবা তা' লোকেশ্বরবু নিংশীংহল্লি, করিগীনো খঙদে। অঙাং ওইরিঙৈদা থৌদোক কয়া থোকখি, নুঙাইবা, হরাওবা, পেন্দবা, অৱাবা। অয়াম্বনা কাউথোকখি। অদুবু তা' লোকেশ্বরনা মাঙখিবা ঐ কাউবা ঙমখিদে, মহাক্না য়ুমদা হল্লকতবা ঙসিসু খলহল্লি, মাঙখিবরা, নত্রগা চেনখিনরা। ঐ খঙদে, তশেংনা খঙদে। ঐনা খঙবা হায়ববু, নিংশীংবা হায়ববু, মমা অতোম্বীনা য়োকপনি, পোকচবা মমা লৈখিদবদগী। লাইরিক য়াম্না ফৈ। খরা মীঙমদে। কনা কনাগুম্বনসু হায়নৈ, মাগী নুপী অমা য়ানবা লৈরম্মী, মাঙোন্দসু হায়রমদে হায়য়ে, কায়নখ্রে হায়ব্রা করিনো, খঙদে, ঐ তশেংনা খঙদে। ঐখোয় খুঙ্গংদো খরনি পুমলাং-লাংই। নুংতিগী পুং-মাংগং তৌনা চীংদোন খুদিংগী থীবা চৎলি, চীংদোন অমদগী চীংদোন অমদা। মোংশোং অমদগী মোংশোং অমদা। পুং-মাংগং তৌনা ময়াম চংলি, খুঙ্গংগী নিপা পুম্নমক, শাগৈগী নিপা পুম্নমক, মরী-মতাগী নিপা পুম্নমক, মখুৎ মখুৎতা থাং-তেন, তা, লাংশোই, মখন মথেনগী খুৎশু খুৎলাই, লাথীগা লাথীগা। পাখং মচা অমা থিবা, মমা অতোম্বীনা কপ্পী, ময়াম্না করেম্বি। মপাদুনা কপ্পী, ময়াম্না কোনশনবী। মপাদি, ময়াই চল্লবা অহল অদো, ৱাজৈ, হোৎনজৈ। মায়বা অমমুক কৌরক, অমমুক কৌরক, মাইবীমুক পুরক, অথাপ-অথাপ্পদগী সাধু, বাতী চালান তৌবা কাংবু, মাঙখ্রবা মী পুথোকপা ঙম্বা মাইবা, মাইচৌ, অঙম্বা মথং মথং পুরক্কুনা য়েংই, তৌজৈ মীয়াম্না হায়বা পুম্নমক। হেলোয়না ফারিবনি হাইয়ে, আ! আ! চীং অমদা হীপ্তুনা লৈরে হায়য়ে

হেলোয় অমগা...।

অসুম থীবা ফংদ্রে। ময়ামসু অসুম কাউনখি। হামোমখুলদা লোকেশ্বর কৌবা অমা, নহা অমা, পাখং মচা অমা লৈরম্মী হায়বা কাউনখি। ঐতনা কাউজদবনি। করিগীনো খঙদে। কাউবা ঙমদে।

নিংশীংহল্লী মরক মরকতা, ইদোমতা। কনাদসু হংলুদে, নোংমতসু। তশেংবনি, কনাদসু হংলুদে। মাগী মপাবুং মামোদা, মমা অতোম্বী ইনেদুদা, হংলুদে কৈরোয়-লৈকায়গী কনাদসু। হংলুদে। ঐ হংলুদে। হংসু হংনিংদে। করিগীনো খঙদে। হংনিংলুদে।

-নঙ হৌগৎলনু। পারী মপা, নঙ হৌগৎলনু। অসিদা অসুম তৌরো। ঐ হৈদোক্কে। নশাদো শোল্লে। তোয়লেততা চৎলুরনু।
ঐসু য়ারে। ফরে হায়না, হৌগৎত্রে।
ফমুংদা অসুম...। হকচাংসে খরা শোল্পুরে। ৱারে। অদুবু, নুঙাইজদে। ঙমগনি খল্লি তোয়লেত তান্না চৎপা। ঙমগনিদা। অশোমদা, নাহেনিংলে, ওই! ওই! হায়রগা নুঙাইরে, শ্বোর কন্না হোল্লী, থবেৎ - থবেৎ। চোইরোনসু খরা ঙাংলে, অদুবু ভাব তায়। ৱাখন চোয়দে, অদুবু তুমিন্না লৈবা ঙমদে। চীনদগী হায়দোকখি, অহনশিনা তরামরী, অতোম্বসিনা মাপন। নাইন, নাইন, নাইন, ফোরটিন ফোরটিন, ফোরটিন। আই এম ওকে, ওকে। ওকে। চাবদি অসুম য়াই, চানিংদবা কয়া তৌদে। অদুবু হকচাংদি অসুম শোন্থে।
তোয়লেত চৎত্রবা য়াদে। কৌদে, কনাবুসু কৌরুদে। ঐ ঙমগনিদা। ঙম্মিদা। তপ্নাতপ্না হৌগৎলি। উচিন নাচিন তোয়লেততা ফম্বা ঙম্মী। ৱারে, শ্বোর হোম্বা ৱারে। হকচাংসে নোম্বগা, হৌগৎ-কাখৎপগা ৱাই। ঐগী মখোন তাবদা ইচা অহলদুসু, মমাদুসু তোয়লেততা লাকএ। হকচাংসে কোনশিনবী। ইচানিপা অহনদুনা লাপতক্লা, মমাসু পোজিটিব। নহান টেষ্ট তৌবদা খঙহনলকখি। অদুনা ইনাক্ত। কোনশিনবী। শ্বোর হোম্বা ৱারে, ঙহাক পোখাই তোয়লেততা। ফমদুনা লৈথোকই। ৱারে। তপ্না তপ্না কাদা চংশিল্লি। ফমুংদা হিপথৈ। ওহ, ৱারে, ঐ য়াম্না ৱারে। ঙহাক পোখারে, ফমুংদা। ইচানিপা অহনদুনা মমাদা হোসপিটাল চৎপনা ফনি হায়বগুম তাখি, ঐসু খঞ্জা-মঞ্জানৈ। ইদোমতদি খল্লি, ঙমগনিদা। হোসপিটালদা ইদোমতা লৈনিংখিদে। য়ারিঙৈগী য়ুমদা লৈগে খনবা। য়ারোইদোরি। ৱাবনা অসুম হেঞ্জনলকপা। শ্বোর হোম্বসু ৱারে, ঙম্মকত্রে। কোল তৌই, 911, নাইন, ৱান, ৱান।
তপ্না তপ্না ঐনা হায়রে, শ্বোর হোম্বা ৱারে, নিড এমবুলেন্স। রাইট দি ওয়ে।
-করিমতা চারুনু। থোং পুম্নমক হাংদোকউ, থোংনাউ পুম্নমকসু।



CamScanner

ব়ারে, শ্বোর হোম্বা ব়ারে। মমাসু তৌফম খঙদে। ব্যাগ খোমজিল্লি, পোৎচৈ হাপচল্লি। করিসু তৌরোইদা, ঐনা হায়জৈ। অসোমদা ব়ারে, শ্বোর হোম্বা ব়ারে। ও! ও! শ্বোর ফুল্লে, O $O_2$ O $O_2$ ওক্সিজেন! ওক্সিজেন! এমবুলেন্স লাকখ্রে।

গ্রোক গ্রাক
গ্রোক গ্রাক

গ্রোক গ্রাক
গ্রোক গ্রাক
আহ! আহ! আহ!
আই নিদ ওক্সিজেন, আই নিদ ওক্সিজেন, ওক্সিজেন!...
অহান্বদা পাইপ মচা, নোট এনাফ, নো! আহ! মোর মোর...
আহ! ও! ও! O $O_2$ O $O_2$ ওক্সিজেন! ওক্সিজেন! আহ!
মথং মথং এমবুলেন্স, হিপথরে, পুথোকপুশিন, নোমথোক নোমশিন, ওই, য়েৎ। ঐ ব়ারে। ব়ারে।
ভাব তারকপদা হোসপিটালদা লৈরম্মী।
ইদোমতা।
কা অমদা, ইদোমতা। ফমুং অমদা, ইদোমতা। খুৎতা হিদাক কাপলি, ইদোমতা। নাতোনদা ওক্সিজেনগী পাইপ, ইদোমতা। থবাকতা মখন-মথেনগী মেশিনগী মরি-মরাংগা, ইদোমতা।
ইদোমতা!
ইদোমতা।



CamScanner

## কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী-০৩

নুংশিবা!

নুংশিবগীসু মনম লৈবনি। মচু লৈবনি। অশংবা, অঙাংবা, হিগোক, শালুঙাং। মচু পুন্নমক্কিসু মনম অমমম লৈবনি। ঐখোয়না খঙদবনি। হিগোক মচুগী থুমহৎলবা মনমদা ঙাওদবা কনাবু য়াওবগে, শালুঙাং মচুগী নুংশিবদুনি ঐনা কোয়তান তান্নখিবা। নুংশিবগী মচু পুন্নমক ঐনা খঙনিংখী। মচু পুন্নমক্কী মনম খঙনিংখী। করম্বা নুংশিবগী মচু, করম্বা মচুগী মনমনো খ্বায়দগী খোয়থুমনবা। থৱাই থাদোকপদসু পাম্মুদ্রিবা লৈরিবসি করম্বা নুংশিবগী মচুদনো? করম্বা মচুগী নুংশিবনো? করম্বা মচুগী মনমদনো? ঐনা নুংশিবগী মচু পুন্নমক য়েংনিংখি, মচু পুন্নমক্কি মনমসু। পুন্সিগী মচু পুন্নমক য়েংনিংখি, নুংশিবগী মনম পুন্নমক। পুন্নমক।

নুংশিবা!

- ওহ! মিস্টার! ইয়্যু আর লাকি।

- ইয়েস দোক্তর! ঐনা হায় ।

-হোয়াই সো লেট? ইটস ওকে নাউ, ইয়্যু আর ইন আইসিইউ। ইটস ওকে, কভিদ নিউমুনিয়া, লাঞ্চ, লিভার, ব্লাডক্লোথ ... ।

করি করিনো হায়রি, লাপতক্না লেপ্তুনা লৈরি। ঐগী ডাক্তর, চহী ময়াই চল্লবা নিপা অমা। ঐ ৱায়, করি হাইরিবা য়াম্না তাশিল্লুদে। হায়বা পুন্নমক ঙকতমক থুই। ঐ ৱায়, ৱা ঙাংনিংদে। তুমিন্না লৈ। ঐ ৱায়, শাথীনা ৱায়, ৱারী শানিংদে, ৱা ঙাংনিংদে, করিমতা হৈনিংদে, করিমতা য়েংনিংদে।

নার্সনা হিদাক কাপ্পি, খুদাংদা আইভি। পাম্বোম অমদগী ঈ লৌরি, পাম্বোম অমদা হিদাক কাপলি। নাতোনদা ওক্সিজেনগী মরী। খুদোম্বীদা ওক্সিমিটার। ইদোমতা। কা অমদা, ইদোমতা। ফমুং অমদা, ইদোমতা। খুৎতা হিদাক কাপলি, ইদোমতা। থবাকতা মখন মথেনগী মেশিনগী মরি-মরাংগা, ইদোমতা। ইদোমতা, ঐ'তা।

ইদোমতা নুংশিবগী মনম, পুন্সিগী মচু য়েংলি।

আহ! পুন্সি, আহ! নুংশিবা!

অশংবা, অঙাংবা, হিগোক, শালুঙাং।

ঐখোয়গী থংনবা খুঙ্গংদো মীতৈপাঙলগী খুন অমনি। কোনাগাঁও কৌই, ঐখোয় ময়াম্না। তুরেল মচা অমা লাম্থোকপগা ফংঙি। ঐ নুংতিগী অঙাং ওইরিঙৈদগী চৎলি, য়েরুম লৌবগী, ঙা ফাবগী, শান্নবগী, ঙানু হুরানবগী, হৈনৌ হেকপগী, তেলিভিশন য়েংবগী, পোৎচৈ লৈবগী, ফৌ তকপগী, নুংথিন পোবোপতা ইচে জাহানারাদগী ফী লৌবগী, তা' নিজামদগী শেন পুবগী। মরক মরক্তা ফী য়োনবি ইনে রাবেয়া লাকই। মণিপুরগী ফনেক, ফিদুপ পুদুনা। লাকপা খুদিংগী ঐগী অচাপোৎ পুরকই, ইমা, ইন্দোন, ইনেশিংনা ফী লৈরী, ঐনা ঙমোক। ইনে রাবেয়াগী পাঙল ফনেককী মচুদো হীগোকনি।

অঙৌবা অমসুং হীগোক, স্ট্রাইপ। পিক্লা লাংবা, মরাংবা। অঙৌবা অমসুং হীগোক। ফনেক। মপাননাইবা। ঐখোয় মীতৈগী ইমা, ইনে, ইচে, ইচনশিংনা শেৎলিবা ফনেক অদুগা মান্নদে। তোঙাল্লি। পাঙনগী ফনেকনি। ফজৈ। ঐঙোন্দা ইনৌ নৌই। কয়াতা ফজখ্রবা। ইনে রাবেয়াগী হীগোক মচুদো। মপান নায়বা ফনেকতো। হীগোক মচুদো।

ইনে রাবেয়া লাকখিদবা কুইরে। মণিপুরগী ফীদুপ পুদুনা লাকত্রে। ফনেক পুদুনা লাকত্রে। ঐগী ঙমোক পুদুনা লাকত্রে। মতমদো ঐ হাইস্কুল চৎলে। ক্লাশ সিক্স। স্কুলদগী হল্লকপদা ময়াম কোনাগাঁওদা কোয়চেন চেন্নরম্মী। ঐসু ময়ামগা চৎকে তৌই। ইমানা ফাজন্দুনা থম্মি। অখোয় অঙাং অমতা চৎখিদে। ইনে রাবেয়াগী মচানুপী নুরজাহানদো হু থক্কুনা শিরে হাইয়ে। মচানুপী অমতং পোকচবনি। ইনে রাবেয়াগী পুক্সীদি, নুরজাহাননি। লাকপা খুদিংগী মচানুপীগী ৱারি লিজৈ ঐখোয়দা। লাইরিক ফৈ। ক্লাশতা নম্বার ৱান ওইরিবনি। মেট্রিকতসু ফার্স্ত দিভিজন ফংখিবনি। কলেজ তম্মি। য়াম্না ইং-তপ্পি। অতৈ নুপিমচাগা মান্নদে। ঙসিদি অদু তৌই। ঙরাংদি অদু তৌই। নুরজাহাননা অসি হায়। অদু হায়। ইনে রাবেয়ানা শ্বোর হোনবা খুদিংগী নুরজাহানগী মরমদা ৱাহৈ অমমম চোংথোরকই।

-সুইসাইড! হু চাদুনা!

-মাগী নুংশিনবা নিপাদুগা শাওনদুনা...। কন্বা ঙমদ্রে হাইয়ে।

-মচীনদগী কোংগোন, পিত্রিক পিত্রিক। সাপোন পিজৈ য়াদে, শন্থী পিজৈ য়াদে, য়াদ্রে। কনবা ঙমদ্রে হায়য়ে।

-শিরে হাইয়ে। নুংশিনবা নিপাদো ইনাক-কৈরাক খুন্বগী মচানি হায়য়ে, মপাদো অফিসারনি, ইমুংদো খুক্কন-পাঙনবনি হায়য়ে।

-করিগী কায়নখিবা খঙদে, করিগী শাওনরিবা খঙদে, করিগী ...। খঙবা হায়ববু নুংশিবগীতমক শিখ্রিবনি হায়য়ে।

সুইসাইড!

ঐনা খঙনিংখি, ইচে নুরজাহানগী নুংশীবদো করম্বা মচুগীনো, করম্বা মচুগী করম্বা মনমনো। অদুক ময়াই কল্লিবা। অশংবা, অঙাংবা, হিগোক, শালুঙাং। করম্বা মচুগী নুংশিবা। করম্বা মচুগী মনম।

ঐ ঙসিসু থিরি, ইচে নুরজাহানগী নুংশিবগী মচুদো, করম্বা মচুগী মনম।

ঐ থিরি, ঐ থিরি।



CamScanner

## কোভিদ অমসুং ঐগী ৱারী-০৪

ক্যামেলিয়া, হাইড্রেঞ্জা, লেভেন্দার, রোদাদ্রেনদ্রান মরক মরক্ত সিঙ্গারৈ, লৈহাও অমসুং চীকোংলৈ পাম্বি। ল্যাম্পপোষ্ট অমদগী ল্যাম্পপোষ্ট অমা, পার্ক অমদগী পার্ক অমা। হাইওয়ে অমদগী হাইওয়ে অমা। মোন্ত্রিয়লগী লৈরক-লৈরক খুদিংদা, কানাদাগী লৈকায় লৈকায়দা, নাকনদা, চিদাইদা, থোঙ্গান্দা, য়েন্নখাদা হাইড্রেঞ্জা, রোদাদ্রেনদ্রান, ক্যামেলিয়া মঙক হাইগৎতুনা শাৎলি, মচু-মচুগী, অচৌবা, অপিকপা, ইকাই খঙদঙৈ। তৌববুদি, নখোয়দা করিমতা পেনদবা লৈতেকো ক্যামেলিয়া ইবেম্মা, করিমতা নুঙাইতবা লৈতেকো পুকচেনফবি ইচে হাইড্রেঞ্জা, লম্বেলদা নাইতোম শাৎলিবি রোদাদ্রেনদ্রান, চীংদোন চীংদোনদা শাৎলিবী লেভেন্দার, নখোয়দা ৱারৌবসু লৈজদে, শাউনিংবসু লৈজদে। ইকায়জবগী ৱাতনি। ইদোমতা পুক্লিং নুংশিবগী ৱাতনি। ইদোমতা পেনজদবনি। নখোয়গী ইকায়খঙদবদু উরগা ইদোমতা নুঙাইজদবা, নখোয়গী পোংজবদু উরগা ইদোমতা খোইশাউনখিবগী ৱাতনি। ঐনা মাউন্টরোয়েলগী লৈখোং লৈরক পুন্নমক কোয়থি-থিখি, লা-ফোন্তেন পার্ককী মায়কৈ মরীদা কোয়চৎ চৎতুনা য়েংখি, চাওখ্রবা জেরী পার্ককী মায়কৈ অমদগী মায়কৈ অমদা কোয়চেন চেনখি। অহিংদা, নুংথিলদা, নোঙাল্লকপদা, নুংথিনপোবোপতা, ইদোমতা, মরূপ-মপাংগা, ইচাশিংগা। নোংজুথাগী নোংমরক্তা, কালেনগী নুংশামরক্তা, ইংথমথাগী উনমরক্তা। সিঙ্গারৈ অমতং, লৈহাওপাম্বী অমতং, চীকোংলৈগী চারা অমতং। টরন্তোগী অকাসিয়া পার্ককি খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ কোইথুং থুংনা য়েংলুবনি, সিঙ্গারৈ পাম্বি অমতং। নায়াগ্রা ফোলস তোর্রব্বানগী ফজরবা লৈকোন পুন্নমক চং-চংদুনা য়েংজবনি-লৈহাও পাম্বি অনিতং। আ! আ! লাপখ্রবা কালগেরিগী স্তেনলি পার্কতা, রোকি মাউন্টেনদা, মোংশোংদা, লেক মপানদা, নুঙাল্লকপা খুদিংগী চৎতুনা য়েংখি চীকোংলৈ চরোং অমতং শাৎপরা হাইদুনা।

অসুম অসুম চৎখি, বোস্তোন, ফিলাদেলফিয়া, ফ্লোরিদা, লোস এঞ্জেলস মথং মথং ভার্জিনিয়া, ৱাশিংতোন, টেক্সাসকী লৈকোল পুন্নমক। লৈহাও পাম্বি অমতং। পার্ক পুন্নমক। চিকোংলৈ পাম্বি অমতং। মোংশোং পুন্নমক। সিঙ্গারৈ পাম্বী অমতং। চীংদোন। চীং। লেক। কোন্নথংদা ন্যুয়োর্ককি টাইমস্কোয়ার। ফিফ্‌ট এভেনিউগী মায়কৈ মরিদা লৈরিবা পার্ক। ব্রোদৱয়েগী নাকনদা, চিদাই-চিদাইদা লৈরিবা পোত্থাফম। বাইরান্ট পার্ক। রিভারসাইত পার্ক। ইশামপার্ক। ফোরটিসেকেন্দ স্ত্রিট। মেদিসোন এভেনিউ। পার্ক এভেনিউ। চুমত্রিং চুম্না। মথং মথং সেকেন্দ এভেনিউ। ফার্স্ট এভেনিউ। য়্যুনাইটেদ নেশন প্লাজা। তপ্না তপ্না চংশল্লি। য়্যুএনগী হেডক্বাতর। মায়কৈ মরিমক্তা মচু কয়াগী লৈরাং, মখল কয়াগী লৈপাম্বি, অচৌবা, মচা, অপিকপা। ক্যামেলিয়া, হাইড্রেঞ্জা, লেভেন্দার, রোদাদ্রেনদ্রান। ঙৌরুনরবা। শংবানরবা। ঙঙানরবা। অদুবু কদাই সিঙ্গারৈ, কদাই লৈহাওপাম্বি, কদাই চীকোংলৈগী মশা অমতং। ভিজিটরস বুক।

মীয়ামগী ৱাকৎফমগী নোটবুক। ঐগী, মাগী, নঙগী অপাম্বা, পেন্দবা, নুঙাইতবা। ইবিরম্মু। হাইবিরমমু। খঙহনবিরম্মু। ঙৌশোকঙৌরবা চেবাংদুদা ঐনা ইজরম্মি-সিঙ্গারৈ পাম্বি অমতং, লৈহাও চরোং অমতং, চীকোংলৈ অনিতং। নখোয়গী লিশিং লিশিং লিশিং লিশিং স্কোয়ার কিলোমিটারগী পাক্ল-চাউরবা লবুক-লমহাং-মোংশোং মরকসিদা। অমতং। অনিতং। চরোং অমতং। অনিতং। অমতং।

-ফিলিং বেটার?
-ইয়েস।
-হাউ ৱাজ নাইট?
-গুড।
-এনি পেইন?
-নো।
-হেদেক?
-নো।
দাক্তর লাকই। নার্স চঙকলি। দাক্তর লাপ্তকনা লেপ্পি। নার্সনা ইনাক্তা। হিদাক কাপ্পি। ওক্সিজেন পাইপ য়েংলি। ব্লাদপ্রেসার। ব্লাদটেষ্ট। মরি-মরাং থবাকতা। পাম্মোমদা। নাতোনদা। ফম্বা ঙম্লে, ফমুংদা। ফমুংগী কোকথংবা মায়কৈদা ৱাংখৎহল্লি। ৩৫ দিগ্রি, ৪৫ দিগ্রি এঙ্গেল। খরা নুঙাই। ইঞ্জেকশন কাপ্পি। তেবলেত পিরকই। ঙরাং নুমিদাং ফাওবা করিমতা চাব ঙমদে। তেবলেতসু। ঙসিদি ঙম্মে। লাইট ব্রেকফাস্ত। সোফ্ট। মহিগুম্বা। য়োগার্ট। স্যুপ। পোদিন। হকচাংদি ৱারি। করিমতা হৈনিংদে। ৱাঙাংবা ৱারি। ৱাহৈ অমা, অনি। তপ্না তপ্না। থোংনাউগী পর্দা হাইগৎপিরম্মি। শেংলবা নুংশা মঙাল মিৎচিনা য়েংঙক্লি। ফ্লোর নিপান। আইসিইউ ইউনিট। ইদোমতা। কা অমদা, ইদোমতা। ফমুং অমদা, ইদোমতা। খুৎতা হিদাক কাপলি, ইদোমতা। থবাকতা মখল মথেলগী মেশিনগী মরি-মরাংগা, ইদোমতা। ইদোমতা, ঐতা।
মখাদা হোসপিতালগী কারপার্কিং। মখল-মথেলগী কার। অঙৌবা, অঙাংবা, অমুবা, অশংবা, হিগোক, খোয়ারী, ঈ-মচু, শালুঙাং। হোন্দা, টয়োটা, ফোর্দ, হিয়্যুন্দাই, জিপ, বিএমদব্লিয়ু, নিশান, কাদিলাক, সুবারু, মাজদা ..। লোয়না হেক সুরম্মি। জ্যাক কার্তেয়ি সোরোক। থাপতক্না লম্বিগী সিগনালগী য়ুম্বী। গ্রিন, ইয়েলো, রেদ। মথং-মথং, মরিমরি, মখল মথেলগী কার, অচৌবা - মচা, অঙৌবা, অঙাংবা, অমুবা, অশংবা। নিংথমথা লোয়রবসু উপাম্বীশিংগী ঊনা কয়া পান্দ্রি। মখল-মথেনগী স্প্রুসপাম্বী, কোলোরাদোস্প্রুস, গ্রীন স্প্রুসকুম্বা নত্তনা অতৈ উপাম্বিশিংদি ইকোক কোকই। মশা-মরোংখক্তনি। পরেং পরেং ম্যাপলপাম্বি, নোররে ম্যাপল, সিলভর ম্যাপল, মাউন্টেন অ্যাস, রেড অ্যাস, লিতল্লিফ লিনদেন, স্কাইলাইন হানি-লোকাস, কোমোন হাকবেরি, থ্রোনিহানি-লোকাস, উপাম্বি পুম্নমক ইকোক কোকই, পরেং পরেং, পার্কতা, লম্বেলগী

চিদাইদা, সোরোক মপানদা, লৈরক্তা, নাকনদা।
তুমিন-তুমিন, মদোম মদোমতা লেপ্পি।
মদোম মদোমতা, তুমিন তুমিন।
ঊনা-ৱানা য়াওদনা। মদোম মদোমতা। তুমিন তুমিন।
তোংলদে উচেক অমত্তা। খোংলদে চেক্লা অমত্তা।
ঊপাম্বিশিংদো লেপ্পি। মদোম মদোমতা।
তুমিন তুমিন।

স্কুলদগী হল্লকপগা, নুংতিগী ষন-ইরোই পুদুনা চৎলম্মি, মমাঙগী চীংখোংদা, লবুক লমহাংদা। অয়াম্বা মতমদা, ঐনা ঐখোয়গী ইরোই লাবা অমা লৈরম্মী, অদু পুদুনা চৎলম্মি। মথক্তা তোংলগা। ইশৈ শক্ল-শক্লা। শাজৈ অমগা। ইরোই মথক্তা। ঐখোয় ইমান্নবা ময়াম। শজিক পিজবা। শঙ্গু-শঙ্গু। ঐখোয় ময়াম। লৈকায়গী, খুঙ্গংগী ঐখোয় ময়াম, ইয়াম্বা খরসু য়াওরম্মি। তাদো, মামো, কাকা লোয়না য়াওরম্মি। ষন, ইরোই পুদুনা, চীংখোংদা, লবুক লমহাংদা, পাৎয়াদা। চীংদোন অমদগী চীংদোন অমা। পাৎ অমদগী পাৎ অমা। লবুক অমদগী লবুক অমা। ইরোইশিংদো থাদোকলগা, ষনশিংদো থাদোকলগা, ঐখোয় মশেনতা শান্নরম্মি। ফুতবোল, দান্দা, কাবাদি -- মখল-মথেনগী মশান্না। কনাগুম্বনা ৱারিলিরম্মি, ময়াম্না তারম্মি, অহল অমা অনিসু য়াওরম্মি। ৱারিলিবা ফৈ, মখল মথেনগী। হিংচাবগী, হিংচাবিগী, হেলোয়গী, অঙম্বা নিংথৌশিংগী, নুংশি-নুংওনগী, ওইদা-পাদবা ৱারী কয়াসু য়াওরম্মি। নোংমনা অমা, ঙসিনা অমা, হয়েংনা অমা। নুমিৎ তাখিবা খঙহৌরমদে।
ষন ইরোই থাদোকলগা ঐদি অয়াম্বা ৱারী তাগল্লম্মি। অহনশিংগী। ইমান্নবাশিংগী। মরক মরক্তা শান্নরমলবসু, ফমদুনা লৈথোকলম্মি। অয়াম্বা মতমদা ৱারি তারম্মি। মওং-মওংগী ৱারী, অহনগী, নহাগী, হিংচাবগী, হেলোয়গী, নিংথৌশিংগী, যুবরাজশিংগী, মহারাণীশিংগী। নোংমনা অমা, ঙসিনা অমা, হয়েংনা অমা। ঐখোয়গী ষন ইরোই শেন্বা মরক্তা মণিপুরদগী হল্লকপা তা'খম্বসু য়াওরম্মি। করম্বা মতমদা মণিপুর চৎখিবা খঙদে। ঐখোয়না খঙলকপদা মণিপুরদা লৈখিরম্মি। ঐখোয় মমাঙগী ইপন কেশবকী মচানিপা অহলনি। চহিমুক ফারে মণিপুরদগী হল্লকতুনা লাকপা। করিগীনো খঙদে ময়ুমদা হল্লকতুনা লৈরম্মি। অমুক গাড়ী থৌরম্মি -- হেক হায়। কারবার মচা অমা তৌরম্মি -- হেক হায়। চহী তরামুক হেন্না লৈরুবনি। শান্নবা কয়া য়াওরমদে তা'খম্বা। ঐখোয়গা অসুম ফমদুনা ৱারী শাদুনা লৈথোকলম্মি, অয়াম্বা মতমদা। ঙাংবসু ফরম্মি, মরৈ লোনতক লোনতক তৌদুনা। মণিপুরগী ৱারী, ইম্ফালগী ৱারী, বাশীখোংগী, নাগামপালগী, থাঙ্গালবজারগী, পাওনাবজারগী, শিংজমৈগী, বাবুপাড়াগী, মোয়রাংগী, অন্দ্রোগী, লিলোংগী, পাঙনতাবিদা অহনশিংগা লৌউ-শিংয়ুবগী ৱারি। মাগী ৱারী লোয়বা নায়রমদে। মরক মরক্তা দিল্লীগী দাকুশিংগী ৱারী। কাপ্পবগী ৱারী, কোম্মীং

ওপারেশনগী ৱারী। খোংজোম লানগী ৱারী। কোদোমপোকপীগী ৱারী। ঙরাংনা অমা, ঙসিনা অমা, হয়েংনা অমা। চীংখোংদা, লবুক লমহাংদা, পাৎয়াদা। চীংদোন অমদগী চীংদোন অমা। পাৎ অমদগী পাৎ অমা। লবুক অমদগী লবুক অমা। ৱারী অমদগী ৱারী অমা, মণিপুরগী ৱারী, ইম্ফালগী ৱারী, লৈকায়শিংগী ৱারী।

কলেজ তম্বা ঐ ঢাকা চৎলম্মি। মরক মরক্তা য়ুমদা লাকলম্মি। লাক্পা খুদিংগী ঐ তা'খম্বা উনরম্মি। মাগী ৱারী লোয়রমদে। নোংমনা অমা, হয়েংনা অমা। মরৈ লোনতক লোনতক। কংলাগী ৱারী। অথৌবশিংগী ৱারী, মার্জার এগ্রিমেন্টকী ৱারী। দিল্লীগী দাকুশিংগী ৱারী। মরক মরক্তা গাড়ী থৌবগী ৱারীসু লিরম্মি। হেন্দিমেন ওইরিঙৈগী। মণিপুরগী মফম অমদগী মফম অমা, শহর অমদগী শহর অমা। ৱারী লোয়দে। ঐসু নুঙাইরম্মি। মংদা ইম্ফাল চৎলম্মি, মরক মরক্তা কোইচৎ চৎলম্মি মণিপুরদা, ইম্ফালদা শহর অমদগী শহর অমদা, মফম অমদগী মফম অমদা, বাশীখোংদা, ত্রোংলাউবিদা, নাগামপালদা, থাঙ্গালবজারদা, পাওনাবজারদা, শিংজমৈদা, বাবুপাড়াদা, মোয়রাংদা, অন্দ্রোদা, লিলোংদা তা'খম্বাগী গাড়ী তোংদুনা, তা'খম্বনা ড্রাইভর ওইদুনা ঐবু কোয়পু পুবিরম্মি, মণিপুরগী লৈরক লৈকায়দা। ইম্ফালদা ও নোংমনা মফম অমদা, নোংমনা লৈকায় অমদা, নোংমনা লৈরক অমদা।

মঙ ফাওনরকপদা ফমুংদা ইদোমতা, থাওমৈ অমা মুশিমুশি, চিক্লবা অহিং, চীংখোংদা লমহুই খোংবগী মখোল তায়। মকু অমসু খোংবগুম তৌই।

ফমুংদা ইদোমতা।

অহিং কয়া।

মঙ কয়া।



CamScanner

অহলময়াম অমা, পরেং পরেং, চাওরবা শঙ্গায় অদুদা, লাপ্তক্লা মখোয় অহুম মরীদি মশক ফজনা খংঙি ঐনা—চাওবা, কমল, অঙাংহল, শীতলজীৎ মথং মথং ...।
অসোমদনা মায়কৈ মরিমক্তা বঙ্কিমগী, শরৎচন্দ্রগী 'নায়ক' 'নায়িকা' ময়াম শঙ্গু শঙ্গু, ঐবু কোয়থৎ থৎলি, অমনা খোংদা কোনগনি, অমনা খদাং হেক কোৎকনি, অমনা লেংবানদা হেক ফমগনি। অদুবু ঐ চংশিনবদি লেপ্তে, লাপ্তক্লা ফম্লিবা অহলশিংদো য়ৌনবা; ফেজোম অমমম শেৎলি, হকচাংদা ফুরিৎ অমত্তা য়াওদে। মমায়শিংদো নোংচুপলোমদা, ঐনা অৱাংলোমদগী 'নায়ক' 'নায়িকাশিংদো ইহ্লোক ইহ্লোক্লা, ঐগী ইচ্ছা'দি মৈতৈ অহলশিংনা ফমলিবদু য়ৌবা। দূর্গেশনন্দিনীগী আয়েশা, জগৎসিংহ, কদোমদগীনো শ্রীকান্ত, রাজলক্ষী, সতীশ, সাবিত্রী, বড়দিদি'গী মাধবী, চরিত্রহীন'গী কিরণময়ী ঐগী খুৎ পায়দুনা থৎলি, শঙ্গুশঙ্গু, ফিসফিস ঐগী নাকোংদা, চংখিনু, কান্নরোয়- আ! আ! সিদা লৈরিবা অহলসিংগী চরিত্র পুম্নমক ঐখোয়গুম্বনি, ঐখোয়গী মমীনি ... ঐখোয়গী ...। ঐ মৱা লৌদে, তাশিন্নদে, নমখায়, খোঙ-খুৎ, ৱ্রৎৱ্রং, ফৎফৎ ... ও
নৱা লৌদে, নৱা লৌদে ... ঐ চংশিনবা লেপ্তে, লেপ্তে, তপ্না তপ্না, মথং মথং, খোঙকাপ অমমম, নৱা লৌদে, নৱা লৌদে ...।
অমনমুক ফাজিল্লি, অমনমুক কোনথুই অদুবু ঐ চংশিন্বা লেপ্তে, খোঙকাপ অমমম, নৱা লৌদে, নৱা লৌদে ...।
খুরমই খুরুখুদক কুন্না, ইপু, ঐসু লাক্লে, ঐসু লাক্লে, আশির্বাদ তৌবিয়ূ, কোকতা নাম্বিবি ... ইপু ... ঐগীদি ইচ্ছাপুরণ' ...।

-সোরি, লাঞ্চ রেদি
মঙ ফাওনরকপদা। নার্স অমা।
ওহ!



হামোম প্রমোদ মৌলভীবাজার জেলাগী মনুং চনবা কমলগঞ্জ উপজেলা, আদমপুর ইউনিয়নগী হামোমখুল (ছনগাঁও)দা খৃষ্টগী ১৯৭১গী আগষ্টকী তাং ৮ নোংমাইজিং নুমিত্তা পোকখি। অপোকপগী মীং হামোম গোপাল অমসুং অপোকপগী মীংনা হামোম ওংবী লৈক্ষ্যবতী দেবী কৌই। হৌজিক কানাদাগী সিটিজন অমা ওইনা মোন্ত্রিয়ালদা লৈরি।

হামোম প্রমোদ অঙাং ওইরিঙৈদগী ৱারেং-শৈরেং কয়া মণিপুরী অমসুং বাংলাদা ইবা হৌরকখি। বাংলাদেশকী চেফোং কয়া পুথোকপদা হকথেংননা শরুক য়ারম্মী। হৌজিক্না 'কথা' কৌবা বাংলাগী লিটারেরি ম্যাগাজিনগী ইদিতর অমসুং 'মণিপুরী মিরর' ওয়েব পোর্টালগী এদিতর-ইন-চিফ ওইরি।

ফোংখ্রবা লাইরিকশিংদি

ৱাখলগী নাচোম, (শৈরেং ১৯৯৫)

মণিপুরী সাহিত্য ও সংস্কৃতি (সম্পাদনা ১৯৯৭)

বাংলাদেশকী অখন্নবা মণিপুরী শৈরেং (সম্পাদনা ২০১২)

বাংলাদেশকী অখন্নবা মণিপুরী ৱারেংশিং (সম্পাদনা ২০১৭)।

CamScanner

CamScanner